ডাঃ রুহীয়াগী
রোয়েল জেল্লী



মুত্তুয়া উমেশ

ডাঃ রুহিয়াগী রোয়েল জেলী

(Poetic.Novel)


জয় ওইবিয়ু! জয় ওইবিয়ু!
প্রলয়গী মৈরী-রক্তা
মীহ্-মরোং চুমলবী উপালগুম,
উবা ঙমদ-পুন্যাগী কর্ম্মাবু
কঙ্চরি সাহিত্য মন্দিরদা,
ভক্তি ওইনা রুহিয়াগী
পুন্সিশিং মহাউ পিরম্লবা;
ঙমজাদ তরা-শেঞ্জ কঙ্চবসু
লিক্লি মচেং-রক্তা শারিবা জাগোয়
নখোয়েনা-॥

অইবা

[redacted]

অফোংবাঃ

Dr. M. Angouba Singh
Asst. Prof. Dept of Dentry
R.I.M.S., Imphal



চেখুম ডিজাইনঃ
এমঃ উমেশ

(অহানবা থুনম) কোপী মসিং ১৫০০ (২০০০জানুঅরী)

অইবগী হকঃ

মমল লুপা ৬০/-

প্রেসঃ য়াঙ্গোইনিংথৌ প্রেস বিষ্ণুপুর।

অইবগী ৱাহৈ খরদং

"ডাঃ রুহিয়াগী রোয়েল জেলী" হায়বা poetic novel অসি ইংরেজী লোনদা সাহিত্যাগী ওইবা মখল-মথেল কয়া লৈবগুম্না মণিপুরী লোনদসু মরাং কায়না লৈহন্নীংবগী ইথিল অমদি কন্না ফাওরকখি। লাইরিক অসিনা মণিপুরী সাহিত্যাগী poetic novel, soliloquy (মথন্ত ঙাংজবা মওং), hallucination (লৈতবা পোৎপু লৈবগুম্না উইনবা), letter style, poetic monologue অমসুং epic (কব্য, অশাংবা শৈরেং) অসিনচিংবদা অহাংবা খজিক্তং মেনশিনজবা লোয়ন্না অপাবশিংগী থম্মোইদা মিকুপ খরদং ওইরবসু অপেনবা পিজবা ঙমজরবা ইজবগী মহৈ য়াল্লে হায়না লৌজগনি। মতম ꠆মতদা লাইরিক মঙা তোঙান-তোঙানবা প্রেসশিংদা নমলুবদগী প্রুফ লৌবদা কুপশিনবা ঙমখিদবনা বনান লানবা খরদি য়াওখ্রে। মসিমদি মথংগী খুনমদা চেকশিন্জরগে। অতোম্পা অমনা লাইরিক অসিবু হেন্না ফগৎকদবা পাউতাকশিং তাকপীরক্লবদি হরাউনা লৌজগনি।

অরোইবা ওইনা লাইরিক অসিবু মীওইবা সমাজনা পাবদা কান্নগনি খন্নীদুনা হরাও হরাওনা নমদবা য়াদে হায়না ফোংবদা অচংবা শেলফমশিং পুথোকপীবগীদমক্তা ইকায়-খুম্নজরবা ডাঃ শ্রী এমঃ অঙৌবা সিংহবু (Asst. Prof. Deptt. of Dentry, RIMS) ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি লোয়ননা পুন্সিদা শিংবা ঙমলরোয়দবা লমন তোন্সিন্জরে।

অইবা।

ৱাহৈ অনি-মরিদং

শ্রী মৃতুম্ উমেশ (চাউবা) না ইবা "*ডাঃ রুহিয়াগী রোয়েল ডেল্লী*" হায়বা লাইরিক অসি হৌবদগী লোইবা ফাওবা মমৃত তানা পাজরে। লাইরিক অসি নৌরিবা অইবনা মণিপুরী সাহিত্যদা মরাঙ কায়না লৈত্রিবা মচল "**পোইটিক নোভেল**" হায়বদু ওইক্নবা ইবনি। অইবা অসিনা হীরম অসোমদা খুৎমাবা ওইখিবা অমদি মশাদা ফাওরকপা উপন্যাস ইনিংবগী থিংঙমদ্রবা ৱাখল শউম অমসুং হকথেংননা থোকখিবা শউম নাইবা কাউঙমদ্রবা নীংশিংবগী মশেক কয়ানা হেনখিবনা চৎনরিবা ইংরাজীগী ৱাহৈ-ৱাতাশিং শিজিন্নবগী নিয়মশিংবুদি ইঙাক ঙাক্তবগুম্নি।

কুনমাতোইশুবা শতাব্দী অসিগী হৌরাপদা "**কম্প্যুটরাইজ লাইফ ইন দা কম্প্যুটরাইজ সোসাইটি অফ অ কম্প্যুটরাইজ ৱার্লর্ড**" অমা মীওইবনা লেল্লগদৌরিবসি থল্লুবদা নুংঙাইবগী মথক্তা ৱাদবা ঙমদে। থম্মোয় পানবা মীওইবগী মগুনশিং-নুংশিবা, চান্নবা, কল্লকপা, য়েংথিবা, কৎথোকপা, অৱা-নুংঙাই, খাঙব। পেম্থোকপনচিংবশিংবু নাথেরগা থম্মোয় পান্দবা শীজিন্নগদৌরি- মতম অসিদা অহিংবা জিবগী থম্মোয়গী মশক তাক্নুনা তাইব পানবগী মীওইবগী মশক মাঙহন্দনবা শরুক মচেৎ অমত্তং য়ানীংব টেক্সচুএল মওংদা অইবগী তোপ-তোম্পা থুতই অমা লাইরি- অসিদা উবা ফংই।

তশেংনমক লাইরিক অসিনা উৎলিবদি মীওইবগী থম্মো: লকানুংদা লৈরিবা নুংশিবগী লেঙদ্রবা মফম অদুনি। মীওইবগী

থ্বাইদগী মমল য়াম্লবা মগুন "নুংশিবা" হায়বসিগী মহাওদি থম্মোয়তনা খঙবা ঙম্মী। "কায়নবা", অমসুং "থুংনবা" হায়বসিদি নুংশিবগী ওন্ন-তৈনবা মহাও অদুনি। মহাও অসিগী খেন্নবশিংদু থম্মোয়তনা খঙবা ঙম্মী। নুংশিবগী ঈচেলগী পম্বুংসু মথোয় অসিগী মরক্তা অমনা শোয়দনা ওইগনি। ডাঃ রুহিয়া অমদি জেলী অনীগী নুংশিবদি থম্মোয় লকনুংগী কায়ন-পম্বুং ওইরবসু ময়েক মাঙফদ্রবনি। অদুগা অমরোমদা বিমোলচন্দ্র এসঃপিঃ গা জেলীগা থুংনবদি থম্মোয়গী অথুম্পা লকনুংদা য়ৌদবা পানগী ওইবা নুংশিবগী মশক্নি। অহানবগী অসিনা মতম চুম্পগী ওইবা থম্মোয়গী লেঙদ্রবা ৱাখলগী শক্তম 'পোইটিক যেন্সী' অদুনি অদুগা অকোনবগীসিনা মতম থরতগী ওইবা থম্মোয়গী তাংথক নাইবা ৱাখলদা তাউবা নুপা-নুপী থুংনবগী মশক 'ফিজিকেল য়ুনিয়ন অদুনি। লাইরিক অসিদা ডাঃ রুহিয়ানা হেরো ওরিয়েন্টটেড় ওইথিবসি জেলীগা নুংশিনরুবগী মপান তাংবনি।

অইবনা মতমসিগী ক্লাসিক্ ওইবা থৌদোক অমবু ৱাখল্লনা লাকশিল্লগা ৱাখলগী মীওই খরা শেমগত্নুনা থৌদোক্কুগা মরী লৈনহল্লি। অইবগী ৱাখলগী পাঙ্গলনা মতমসিগী থুন্নাইগী তরং-তরংবা মশক উংনবা হোংনরি। থুন্নাইসিগী মীওইশিংনা থম্মোয়গী অশেংবা মশকপু কাউথোক্নুনা হোংদোক-হোংজিন নাইবা, লাইরা-ঈনাকথুনবগী খেন্নবা মীৎয়েংদা পুক্নিং চঙবদু উৎলি। লাইরবা মচা রুহিয়াদগী এসঃ পিঃ বিমোল চন্দ্রবুনা হেন্না পাম্বগী ৱাখলদু জেলীগী মমা মপাখক্তগী নত্তে। থুন্নাই অসিগী মীওই পুম্বগীনি হায়বসি অইবনা তাক্লিংই।

অখণ্ড-অহে কয়াগী কুপ্না য়েংশিনবা মিয়েংদা অহোবা কয়া লৈজরবসু অইবনা নুং অমসুং পানগী ওইবা সাহিত্যাগী ওইবা পোৎশক, তোঙানবশিংনা তিল্লগা থোরকপা মহাউনা (প্রপানক রসনা) ব্রিদিং লাইফকী চৈথেংশিংবু থুদুম চন্নিঙাই পাঙ্গলনা ক্লাসিক্যাল রেঞ্জ অমদা কনস্টাক্টটিফ অমসুং কন্ট্রাইভএবলগী হৈ-শিংবা প্লোট কয়ানা আইডিয়্যাল ফিগর অমদা হায়বদি ফত্তববু অফবনি থল্লগা, নুংঙাইরম্বদু থাদোক্লগা কথোকপা তমলকপদগী অমৃত ফংবগুম নুংঙাইবা পোক্লকপগী মওংদা (সাত্বক শুথ) থম্মোয় শেংনা সাহিত্যদা খুদোল তমলকপবুদি থগত্তবা ঙমলোয়। তশেংবমক লাইরিক অসি মীওইবা জাতিগী ফিবম্নফমগী স্কুল্লীংনি হায়জনিংই। মতুংদা অইবগী ব্রাথলদগী অব্রাংবা থাক্কী লাইরিক কয়া পুথোকপা ঙমনবা ঈশ্বরদা থুরুমজরি।

ডাঃ কেঃ ঐচঃ কুঞ্জো সিংহ
এসোসিয়েট প্রোফেসার
ডিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস
মণিপুর য়ুনির্ভসিটি, কাঞ্চিপুর।

ৱাহৈ খরদং

শ্রী মুতুম উমেশকী "*ডাঃ রুহিয়াগী রোয়েল জেলী*" কৌব উপন্যাস অসি পারে। শৈরেংগী মওংদ ইবনি। ইব হৌরক্লিব অইব অসিগী পোইটিক নোভেল পাবদা কান্নব লাইরিক্লি।অইবন "ঐ" হ'য়ন হোং-হোংদুনা অপাবশিংদা ৱারীদুন তাহনবা অনৌবা খুৎইনি। মসিনা অপবশিংদা দং দং পান্নব মওংনি।

ৱারীদি ডাঃ রুহিয়ানা ইনাক খুনবা ইমুংদ পোকপী জেলী কৌবী নুপী অমগা নুংশিনৈ। নুংশিনরল্লগা মীরৈবাক্ত ডাক্তর তম্ব চৎলি। মতম অসিদ নুপী অসিগী মমা মপান মচাবু ইনাক খুনব পুলিস ওফিসার অমদ থাজগি।ইপু "ইদন পুলিস অফিসার অদু লালহৌবশিংন হাৎখি। জেলী লুখ্রাবী ওইহৌই। অমরোমদ "ঐ" রুহিয়া পারিখাদ মকোক থোংন পাস তৌই। মতম অসিদ জেলসিং কৌবা তেলিপতিদ লৈব পাঞ্জাবী অমন রুহিয়াদা অচৌব বুইলদিং অমগ লুপা লাখ য়াংখৈগ লোয়ননা দান তৌদুনা "**জেলসিং মেমোরিয়েল ক্লিনিক**" অম খুল্লি। জেলীগী মমা অনাব হোসপিতালদ পুখৎলকই। ডাক্তর রুহিয়া মসা য়াওন অনাবগী সেব তৌই। নাব ফরবদ জেলীগী মপান কলেজগী ওঝা ওইরিবী মচাবু-হোসপিতাল অদুদ অহাংব মতমদ কখোকপগী থবক মচা অমতং ফংহনবিয়ু হায়। অদুবু রুহিয়ানা মীগী মীনোক কিবন জেলীগী মফম পিখিদে, মীওইবগী সেবাগীদমক। মমৈদ জেলীবু মচন সরু "ওরফান কম দিসএবল চাইলদ কেঅর" অমা হাংদুনা তোল্ল-তারবগী সেবা তৌনব পাউতাক পী। লোয়ননা লুপা লাখ অমসু হৌদোক্লনবা পী। অদুগ

হরাও হরাওন কায়নখি। মসিনি লাইরিক অসিগী সল্লম্প ব্বারী। পুন্সিগী মরু ওইবা তাঙ্কক, রোমান্সত য়ুম্ফম ওইবা, পুকচেল চাওব কখোকপগী অব্বাংব থাঙ্কী ব্বারীনি।

শৈরেংগী মওংদ ইব লাইরিক অসি পাবদ নুংঙাই। শৈরেং পামজরুবনরা খঙদে। অইবগী ব্বাহৈ-ব্বাতা ফজে। ব্বাহৈগী লৈতেংগ অর্থগী লৈতেংগ অনী পুন্দুনা মশ অমতগুম তিন্নদুন হেন্নদুম ফজহল্লি। পাবদ অপনব পীদে। ঈচেল নাইন চেষ্টে। পিটি এন্দ ফিআর অমসুং রিদরস কন্ট্রোলীং নিংথিন তৌদুন চৎলি। মতাং কয়দ সাহিত্যক ওইব লোন্দা কয়া থেংনৈ। খুদম ওইন, জেলী তুম্বদ ফি কোমথরকপদু মিকপ্ থোরকপদ মশাবীবু উবদ ইকাইবগী মতাং থাবদ-'ইকাইখ্র মাল্লে খঙহৌদন উপ্রাক্র উপশিনখ্রে/লোংখ্রে ইকাই থাঙদগী নিংথিবী মায়থোংদু/চীং, পাৎ, তুরেল ঙমনা লোৎশিনখ্রে মিৎয়েংগী ব্বাংমদ(লাঃ ৮); অদুগ 'থম্মোয়দ হক্রুন থমখ্রবা নুংশি লৈরোং, অব্বাব বটালিয়ননচিংবা অসি মতাং চান সিজিন্নবগী হৈ-শিংব লৈ।

পরেং খুদিং থম্বনিংঙাই মচাক কয় হকচিন্ হকচিন্ন য়াওরি। পরেং অম, অনী অমসুং অনীদগী হেনবা শত্তোক্রন নৈননিঙায়গী মওং লৈ। সিদ, থিম, প্লোট চেকসিন্ন সাগৎলি। মীয়ামদা পীব মেসেজ মখল মথেল য়াম্মী। মরু ওইব থরদং, পনব তারবদি-

* Life is strugle, strugle is life.

* Developing of self-confidence and personality without any hurt to other's feeling.

* Application of common sense and socially explore new areas of life experiences.

* Ability for communication and distinctive shoot for stepping stone to success with new artistic sensibilities and organic images.

* Optimism and recognising the characters' qualities correctly in the prime of life.

* One must be dedicated for the reputation of other.

* Violation of human right is a great sin.

* Socially sacrified is above the romance

* Hero oriented Poetic novel, recomended and selected অসিনচিংব পখিংঙাইনি।

অইবন মতুংদা মমল লৈবা লাইরিক কয় পুথোকপদ ঈশ্বরনসু তেংবাংবিব ওইসনু।

ইবোপিশক নোংথোম্ব

সেলেকসন গ্রেদ লেকচরর

হেড ওফ দি দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরী

সিঃ আইঃ কোলেজ, বিষ্ণুপুর

প্রাসিডেন্ট, সাহিত্য পরিষদ

ডাঃ রুহিয়াগী রোয়েল জেলী

য়াওক্নম তাকপা

ডাঃ রুহিয়াগী রোয়েল জেলী

নুংশি রাখল

নুংশি মোনথাংননী খন্না নুংশি মৈচাক খাংলিবী,
ফনেক খোইদোম শেৎলিবী নুংশি শৈশক হৈত্রিবী,
হৌনশানি খন্না রাবৌনুকো লানখিবা ঐনা,
নুংশিবিদি লাক্করে হৌখরে অহিং অসে,
নংশিংলিনে মানা হায়রম্বদো করম্মা কাওগনি
নঙম্থু ঐগুম রারমগদ্রা লাপলবা মফমত্থদা
ফমলে ফম্না, চৎলে চৎনা, তুমলে তুম্না,
ঐদি ঙাওরেদো মীনদি খঙদনা নুংশি রাখলদা।

হয়েংদি কৃষ্ণ জর্ম্মনি থরো-থম্বাল শাৎলে
খোইমু খোইরেন ইরাং হৌরে তনিক্লে থম্মোয়,
উরমগনি প্রকৃতিগী ইরাং পুম্বা নঙদি নমিৎ উইশিন্দবনা,
ঈরাক্নি তত্তনা ঐদি-নুংশি ঈপাক্কা নঙগী,
পেঙরী ইরাক্নবগী অম্নাবকু মশিম্থু মহাও অমনি. বেঙাগী,

লৈচিল্লক্পা লোৎলিবা থাজ উড্রা নঙদি
থশোয় চরাংনক্পা লৈদাং তমজিবা থম্বালনে
নঙস্থু মিৎয়েং কারল চল্লকস্থু ঐতগী ওইনিংবী মুংশিবানি
লৈশৌ পুজগুম নোংমা নোংমগী রাংখৎলকইবা মুংশিবনি,
হুবনিদা পুক্নিং পাম্মুবীগী নিঙমদা মিৎয়েংদো
মাঙদা য়েংলে মপেন্দে, তুংয়াল য়েংলে পুক্নিং হুই,
চেপনা য়েংলে মফৈজে, ফুচু য়েংলে মরাক্তে লেমজবনিদা,
ফজরি শাবান্দুনা লাপখিবা ঐঙোন্দগী অস্থুম
চৎখিবগুম্মী পুতুনা ঐগী থবায় হকচাস্থু মানা,
মুংশিরিব মক্তদা হেন্না পঙন্নুংদা মুংশিবা,
পামজরিব মক্তদা হেন্না হেন্না পামশিল্লিবা,
মসিবু ঐনা চোপশিনবরা নত্রগা থৌনশাগ্না
মরম শুংলৈস্থু লৈতনা কপনিংলকই কপস্থু কপথোকই পেন্না,
মসিবু করি হায়গনি মানা খঙলবদি করিগুম্বা,
থাগৎশিগদ্রা, উশিৎপিরোয়দ্রা ঐ অয়েপ্পা খঙদে
খঙবস্থু পামদে, মুংশি মথেং তাখিনি কিজে।
অহুম তৌরবদি মাঙজয়ে হিংবগী কান্নদ্রে মপোক।

নোংমা কুইন্ন য়েংকলা য়াকোকলক্লা মীংখিবীদো।
মাইথাংবী কোইরাওম্বা তম্বরুবী মিরাজা
য়েংলকপদো মাগী লৈবীগী পান্নিনে থশোয়ম্বিদা,
পাকমচেনে মিয়েং মফা থঙখিনি হুমাঞ্জী,

কনামত্তা উদেদনে লঙ ঐগী মাইথোং নত্তনা মীরক্তদা,
রা ভাংনত্রবসু নঙ ঐ কয়াদা নকুথবা থম্মোয়দি
পুন্না ফম্মীন্নবগুম্মী উমঙ লাইগুম ওই-য়েং,
খঙই নঙগী নিয়েংদা লঙসু ঐগা মঙলান অমদা মঙমিন্নবনি,
নোংমা থিল্লকপদা নঙগী চিঠী লোয়নরকপগুম্মী নঙসু,
ঐনা কয়াদা হরাউজখিবা নঙগী চিঠী ফাকলুবদা,
কুচুনা লৈহাও লৈরেন উমজবী
পৃথিবীগী হেলেনশিংদগী হেলেন, মুক্তালক্তগী মুক্তান্না
মনিলক্তগী মনি রত্ন, নঙ ওইনা থোরকলেনে,
নুংশি ময়েকী মহুত্তা নুংশিবী নঙনা তশেংনা
পাররেনে চিঠীদি নমিৎকা ইমিৎকা চান্নবা,
হরাউনখনা চুপ্পীরিনে হন্না হন্না রাশি লৈবী লাইবক্তা,
নঙসু ইকায় নুংশি য়ান্ননা নপশিল্লকখিবা ইরাইবকসিদা
মসিমুক হরাউবা লৌরুনি কদায়দগী অমুক,
ঐদি থাবগী লোইবা নায়নরোই নঙগী ফজবদি,
ঙমদে থায়দোকপা মচেৎ অমসু অথিবগী
ফজবগী ফজবা মক্তা খোঙদগী তোন ফাওবা,
মচিন খিবা [illegible] নঙবু থি [illegible]
ঐদি শিমিন্নবা ঙমগনি মৈরাম্বীগুম নঙগীদমক ।
অহিং [illegible] ঐ [illegible]দনা [illegible]না [illegible]
[illegible] নমা [illegible] ঐবু.
লাইৎসি [illegible] ঐদি [illegible]
নমা [illegible] লোং[illegible]দি [illegible]

ডাঃ কুহিয়াঙ্গী রোয়েল জেলী

চেনশিল্লকইদনা পাখং চাউবী নঙনা ঐগী ইঙ্গিত্তা
মতম কুইনা কাইনরুরবা মমা মচাগুম
চেৎনা পায়ত্নুনা ঐগী খুৎ কপ্পীদনা হিক্রা হিক্রা
খোঞ্জেল ফানা, ঐস্মু কপ্পীদনা পেন্নবা,
নঙনা ইল্লম্বা মতুপতু চোৎলিদনা পুমচোং
পিত্তনা ইবান্নিগী নঙস্মু কাওরমলোইদা মুমিত্তু
মত্তুবু কাউরবদি চেগী নৈলরাং তারেদনা,
নুমিৎতুগী ব্রারী মতেক্কুদি পুন্সিগী চৈনানি
মুমিৎতুগী থৌদোক্কুদ পুন্সিগী ইতিহাসনি.
পুন্সি চুপ্পা শাগোন্নগদবা নঙ ঐগী থম্মোয়দা.
অস্থুম্না অস্থুম লেল্লকখিবনি শিবা ঙায়না নৈরক্কা,
অহিং অমদগী অহিং অমা, মুংথিল অমদগী মুংথিল অমা
মৈচাক খাঙবা হৈরবা থম্মোয়সে খঙলে মৈচাক্কী মহাও
নহাকথক্কী ।



অহানবা উনবা লৈকোল

ঐদি হয়েং চৎলনি মুংশিরবা ঈরৈবাক থাদোক্কনা,
চহি মঙাগী বিদায় শিরনি পানিংদা বিদায় পীরনি নঙনস্মু
থব্রায়গী হকচাংগা শেৎনরনি পিরাংলক্কা ব্রাতারনি,
মুংশি চাৎজো পারবা থম্মোয়দা অব্রাবা ইনোৎলে

অনাবা লায়য়েংনিকো ডাক্তর ওইরগা ঐনা
অঙবু নারিবা অমনি ঐস্নু মুংশি রাখল্লনা
ঐনা মীবু লায়েংগঙ্গা মীনা ঐবু লায়েংগব্রা,
করম তমলি নোংদম্বনা মোম্নু ঐগী লাইবক্তা,
মুংশি লায়হৌ থাদবনা অমিক তনিকলে থম্মোয়সে,
কুচু মক্লবা কুম্নেনাগুম তয়াং তয়াংলবা হকচাংসি
থাংলি খোঙসি থম্মোয়গী মুংশি নিঙায়দা,
থামম্বা অহিংসিদা হুরানবগুম লেপ্তনা য়েংনিংবনা
পুখি মপাল শিঙ্গারৈ মখোঙদা মঙলি মঙ চহি মঙাম্নী,
মুংশিবী মাবু ঙাইনা ঙাইনা লোৎপীরি
অমম্বনা মুংশিবগী রাংখৈনরগদবা মফমচুদা
কয়াদা ফজগ্রবা ইনাক-কৈরাক খুনবগী শঙ্গায়
মপুগা ইজ্জৎ ঙাকপগুম্মী হৈপান-লৈপানশিং
ইঙ্গাং-নাপী মফম চানা চানা য়ুমলৈ-কৈলৈ,
শুমাং-থেলোং জুত চাম্নে অমগা অমগা—
ফজবী তাম্নে মথায় পানবগুম,
মখোয়না ঐবু মুনা য়েংলম্মী করি মরমগী
ঐ নাইতোম তারম্মী তরক তরক ইকায়জে ইদোম,
অতুবু শিঙ্গারৈতদি চঙজফম চাউনা পীরি ঐগীদমক
খঙই মাতদি মপুনী বীনি, তৌবীমল খঙবীনি
মুংতিগ। ঈশিং চাইবীবগী তনৌবী খুৎশাতুনা
ঙাসিদি মহৈ চারেদো ঐনা নঙগী রাজমলগী,

বিজলি লাক্তবা অহিংসিদি ওইরেদো ঐগী মরুপ,
চাক চারম্লনি অথেংবশিংদি, অঙনবদি তুমলম্লনি,
হায়নখিবসু লেপ্তে ঐ লাকনি হায়রবসু য়ারক্লোই
য়াদা য়াদা ঐতমা নমথুনা লাকখিবা মক্তনি;
ইস ! থেংনখিবা থোক্লবদি মপাবুং জজ্জ সাহেবনিকো;
ফাদোক পীবা ওবনি ঐবু পুলিচুপ্পা কৈথকমশঙদা !!
হল্লসিরা ঐবু মায়থীবা লাম্মীগুম কিবদগী
কিয়বদি ঐগী তাঙ্গা লোইরে উম্নবগী অহ্রাবনিদা,
য়াকংপা তারবরা টিঠিদা চাই মঙা কপনা কপনা;
হে শিঙ্জারৈ, মরুপলোই নঙ ঐবু অমুক্তা চানবীয়ুবা
ঐ নঙবু কাওজরোই, পাম্মুবাগা অমুক্তং উম্নহনবীরবদি
ঐনা নঙগী নাক্তা লৈরিঙৈ পাম্মুবী মকাদা লৈবনি
মুংশি মৈচাক নেমলিবনি, মুঙাইবা মঙলান মঙলিবানি
নঙগী নফমদগী মাবু উম্নদনা হনবা থোক্লবা,
উদ্রা বাগদবত্তু ঐনা অঙাপবগুম চোয়রোল লোন্দুনা,
ঐসু হায়গে মঙোন্দা মীরায়বাগম্নু নঙবু পুন্সিগী
লায়রবা মচা ওইবনা ঐনা পুম্ননকসি থোকহনখিবনি
নংলমদ্রবাদি থোঙ লাওনা হাংলমগনি অঙানবদা,
ইনাকথুনবনা লাইরবগা সঙ্গ তৌবা পামদে তুকচৈ,
লাইরবনা ইনাকখুংববু কল্লকই মরুপ শাজনিংই
ঙসিদি চৈকু অকনবা অনিগী য়েংথিনবগী,
তম্নরেনে লাইবক্তা ঐগী, মুংশি হেতবা বিধিনা

মতমসে ফনা হায়শিমগ্রে তাথিগ্রে মীটিক মীরাঙখোল
পাম্মুবীত্বু খোমলেম তুমখুন হমগ্রা মুংশি মঙলান মতলিব্রা,
য়েংলগে মুপামচা নোংদম নিঙোল কাবু তমলগে
চাউরবা যুমজাওসিদা মখোয় মারতনি তুমলমগদবা
মু শিজরবা মবুং মৌপা শিংশু মতে তমগ্রি মপান লমদা,
অপিকপা মৌপা অত্তুদি কোল্লমগনি পলেম পুকফবীনা
হে পাম্মুবাগী য়ুমবু কোনবীরিবা লাইনিংথৌ ইবুংঙো
ননাই ঐ লাকচরি তাথিবীগনু পাম্মুবী উনজনিংই
ঙাকপায়ু অয়োন-অরান খিবিক য়ুম্বুরেল-ও,
মপু নঙোন্দা তাকচবনা ননাই ছুরানবা নংচদে।
ঐগী থব্রায় চান্নবী উনহূষীয়ু ইবুঙোনা
মুতি মুর্মিং খুদিংগী ধুপ মৈরা কৎচহনগে
করিস্নু খঙজদবা ননাইনা মপা লাক্না খুরুমজৈ,
নিঙোল কাজাওগী থোঙনাওদি নাতৈ পোরোল কাংলিসে
পিক্লবা পালংগী মৈরানা মুংশবাবু ঙাক-শেন্নীরি
কয়াদা নিঙাইদনা তুমলিবা মানা ইশি শিনা
মায়কৈ শলাই খুঙদরে মফি মরোলস্নু ভুম্বনা
মুপা নহা থেংনরবদি কমদৌনি চেকশিনবীসে!
সাদ কৌবস্নু য়াদা শোকপস্নু য়াদা
পারবা মোয়েগী কাঙথম্না খঙ্গৈ হায়বদুনি
কাঙদি চঙবা ঙমদবা মিংশেলগী ফক্লাংঙুম্বান
অরোৎপা অমত্তহু নৈতত্রে ঐগী রোংজানিংবা মিয়ামদ

মীনা খঙলকত্রা করিগুম্বা খঙনবা হোৎনবদা ঐন্না
নত্রগা পাখংচাওবীনা খঙহনা লাওরক্লবদি ইস !
কমদৌনি ঐদি মতৌসিদা য়েংহনা অসুম লৈরগত্রা
য়েংলি মখৈ পেন্দবা ফিজেৎকী মপাল ,তাংজত্রবী
চাক্লবীগী অয়োনবা মুংশি মুত্তিসে মনীংতম্না
নত্রগা খাঙলসিরা মিৎ উইশিন্দুনা পুজাগী লৈরাংনি খন্না
পোমশাহনবী লৈরাং থম্বাল য়েংনা য়েংনা ইখৌলাংবী
অসুম্নদি লেনবা য়াররোই অহিং মতম লোইত্রগনি,
হোৎনরগে মশা তানবা, করি উপায় থিরগে
অপিকপা চৈ অমনা মশা লাম্বা ফংবা
পীরগে মুংশি ঈঙ্গিৎ মুঙাইবা কুম্মৈ শান্নরগে
তপনা তপনা লেঙলক্লে মপাম্বোমদা শোকলুবদা
ঙাওরি-ফৈরি তুমিন্না লৈ ঙৈহাক জ্ঞান লাক্লবা
খঙহৌদনা থোকখি থোঙ্গেল অমা চিনবান্দগী
'সীৎ, সাৎ, ঐনি, ঐনে' মহাক খঙলবগুম্মী
ইকায়মনত্রমাল্লে খঙহৌদনা উপ্রাক্লা উপশিনখি
লোৎখ্রে ইকায় খাংদগী নিংথীবী মাইখোঙহু

চাং পাৎ, তুরেল ওম্না লোৎশিনখরে মীয়েংগী ব্রাংমদা
ইকায়রম্নি খন্না ঐসু হায়খি তুংমন্না
'শিঙ্গারৈ মখোঙ, শিঙ্গারৈ মখোঙদা লাকও,"
খঙলে মা তাহৌব্রে ফজনা শিঙ্গারৈ মখোঙদা
হরাওকনী ইমায়দা মুংশিবনা ঈথক অমুকত্তু হোরে

খোয়রক্লনি খনবদা মাঙপ্রে অব্রাবা অর্কিবা পুম্বা
অতুবু কয়াম কুইনি থংনবা মিকুপ্তা কায়নবনা ঙাইরী
পুংথায় গৌথ্রে, হুরানবীগুম মোলি-ম্যোলি ইশুংলাংগী
মশাদো মকা তমলকলি মনি মতুমদো থম্মোয়গী
'কয়াম কুইরে লাকপা? ঙুকত্রা হুবানবসিদি"
ইকায়বা পাখংপা মরক্তা উনবগী হয়াওবা
অমদি সুংশিবগী চাংনা ব্রাংলপ থম্মোয় খোয়রাংনা প্যাওহুংজে
'কুইববুদি য়াম্মা কুইরে অতুদা..........." খুমথি
ঐস্থ ইথুং চল্লবগী হয়াওবগা লোয়নন্সা...........।
"অতুদা কৈদোয়রবা ঙস্যাই মখোদি,
মীগী তুমথবা ঙায়রগা অচেৎ-অকোম য়েংলিবা"-
হংগোয়নদবগী হায়রকপনি হায়নিংবা অমা য়াওনা
নাত্তু, নত্তে চান্নবা ব্রাখেলহ্র ওন্নরে পুম্বা
সে, ঐ হয়েংদগী ঈরৈবাক্ত থাদোক্ত না চৎলনি
সুংশিবী উররোইদো, প্যাউমেয়জগে লাকপনি থিনথ্রে
ঐনা মীরৈবাক্তা লৈরিঙে মিয়েং কারন চল্লমগনু
পুন্সি সুংশানা পানমিল্লাস মিঙোল পুক্লিং ফারম্মু,
ব্রাখল লমফৈনরমগনু য়াইফ-সুংঙাই তাল্লিগে
পাখঙ খোমা উৎচগে সুংশি নমিং থুংইর্মজগে,
—'কল্লি মতো কোবগে নিঙোল প্যাক্লং খোয়রবা
মঙাগ্রেম হাগেমনবগুন হংলাক হংজিন্নবদি
অশেংবত্তু খঙনিংই পাঙ্গল শোনর্বিনি কাউবিন্নু,

—'চান্নবী মুংশিববু মীনম্বদি অচৌবা পাপনি
ঐদি পাপ কিবা মীনি মুংশিবগী মমলস্থু খণ্ডজে
লায়রবা-ইনাকখুমবা অরাপ্পস্থু ওনজে তোয়না
মরমসিনা লাকচরিবনি মুংশি নাক্তা হুদ্ধনা,
হয়েংদগী পাম্মুবী নঙদা নত্তনা ইরমদস্থু উররোয়
ঐনা চৎলমদাই হায়জনিংবদি অতৈ করি নত্তেদো
ইবান্নিগী শিঙ্গারৈ মুংতিগী লাইজ ঈশিং চাইবীবু
য়ুমগী য়ুস্থুরেল লাইনিংথৌবু মুংতিগী ধুপ-মৈরা বৎপীয়ু
পুন্সি মুংশাংবা থৌনিবীয়ু, কাউস্থুকো মুংশি চান্নবী,
মুংশি ইপাউ ইখৌলাংবা তমলকউ তোয়না কাওদনবা
—'ঙসি নঙগী মুংশি নপাউ অহকপা পুন্সিদা
পাখঙ নগুণ হাপকদবা পজেং ফিরাল থেৎলু
নকোক ফাওবা চিক্কস্থু পলেমগী নিংবা থুংহল্লু,
নরৈবাক সেবা তৌজবা ওমহনবীসস্থু মপু মানা,
নচন লাইবক থিবিদি করি অমুক হায়গনি
থরায়না হকচাংদগী লাপথ্রবদা করিনো ওইগদবা ঐনা'
—'চহি মঙানি থাংলুগদবা ঐস্থু লৈজোইথক্তা মরুভূমীগী
উনিংবনা ঙাও, তমনিংবস্থু তমঙমদা পুক্লিংগী ইরাং ফানা,
থাংলগে অরা-অনা থিদনা পুন্সিগী শকম লেপনত্রা'
—'কাওবিগস্থু লাপলবস্থু নক্লা লৈ থনবীরবদি থম্মোয়দা,
নক্লবস্থু লাপ্পনি থনবীজবদি মুংশিবা থম্মোয়নবু'
—'ঐনা ডাক্তর ওইরবদি লেমজবনি নঙগীস্থু সমাজদা

ঐনা হেক খুংখিরদা মফমহুদা তন্না ইরকদি চিঙ্গী
নমান্নবীগী নিংদা খওদনবা পলেম-পম্বোনা,
হয়েং ঐনা হল্লকপদা লৈরমগনিবু থাজদে নিঙোলদি
নিঙোল ওইবী মপোকনে য়ুম্লাক শাগে নাইদেকো
হায়নৈ আলু মথেলগুম্বনি, পওথবা মশীং য়াম্মী'
—'করি রাখল কৌবগে অহুক থম্মোয় পিকপরা
ইমা বাজিনা রাত্রবস্থু ঐদি ইনখিদবা লৈখিদে নয়াথং,
ওসিস্থু ওমগনি থরায় ফাওবা থাবা নওনা পেন্নবা।'
—'অহুনবু মুংশিরিবা নস্রো ঐনস্থু থরায়গুম,
নওনা পুকচেল মকলম্নবা করিগী লাকলুনি ননাক্তা।
—'করিনা খুদোল' তমগনি চংলমদাইসিদা নওনা
নিরো নিনিওবা অমতং পীরগে চিংনদনা ঐনা
লৈজবা পুমবা থারুরোই ঐনা ওম্বা ওইরবদি'
—'ঐ করিস্থু পামদে লাইরবা মচা ওইজরবস্থু
ঐগী অরাপ্পা লৈতে, ইনাকখুনরগী মরুপস্থু মীহৌদে,
ঐনা নওোন্দগী আশা তৌবদি অশেংবা থম্মোয়হুতনি।'
—'মুংশি রাখলনা অহু য়োরবদি মুংশি ফিগে শেংজরগে
পাম্মু খুদোল তমজরগে মা খুদোপ মুজাগী থরায়সে
শিজরগে মুংশি খুৎশাদা মমল য়াওদে খনবীগনু
মুংশি শাখি থমনশি থম্মোয় হংলাক্লসি,
হয়েং নওনা চৎপা নওনবা কংচগে হৈরাং লৈরাং
নিজগে য়াইফ মঙ্গাল, থম্মোয় কিশি থোকপীস্থু,

হয়েং ইঙ্গুং ওয়াংগা নিঙোল খোংদোয় হুজরকে
পাম্মুবগী লাইবক্তা ইমিং পেম্মা য়েংজহৌগে,
তরা শেল্লা ওমজবা মুংশি নতেং পাংজগে
নিঙোল মুখলেপ চাব অল্লা ওমজবা ঘর পানবিরু।'
—'ওসি য়াইফ ব্রাংলেন্দা খওজবে অরেপ্পা মুজাগী পুকচেল
চীংউ মাবু শাখি থম শামু পাঙ্গল লৈরিঙৈ
পাখং পুক্লিং হোংথ্রবোয় অতোপ্পা শিঙেল মাচোম চিনথ্রবোই
মা থুদোপ য়ায়ওইবা পাখং থম্মোয়দা লাৎচবে
মবিংগী য়েনবা খোংগাক্লে মুংশি থাশেৎনরসি
খোংজোমনুবী তামখবে. শজিক থাবা য়াযখবে
নিঙোল কাহুপ অচোবা খোমলোন মওদমজরুবো।

— *--

অনিঙবা উন্নবা লৈকোল

অমুম্মা মওমিঙখি মঙলান কম্মা কাউতনদ,
অমুম্মা থম্মোয় থম্মোয়দা হক্তুম্মো থমথ্রবা মুংশি লৈথ্রোংশিং
নৌহৌননা শায়খি মুংশি মোতুং. অমরমত্তা পুথোক্তুনা
ইপেন্দা (পেম্মি ইন্দ্রোদা,মোই হৌখিক্কো মোকখিনওন
পৃথীদা লৈরিবা. পাখও লৈশারীশিংগী মুংশিনবা

কৈদৌরুম্নি ইবাম্মিগী নুংশিনবগী শোক্লয়োয় মখিক অমা
থম্মোয় থজোয়নি মতুংদা য়েংবদা শেক্নম্লগি শেয়রুনা
মাগী থম্মোয়দা ঐ, ঐগী মপোক্লম্না মামা শরুম,
নুংশি মামাগা কংথোকপগুম কংথোক্লকম্নি করম্না মাদানী মমক
মাদি লাপনা চৈথেং হায়বদগী নুমায়দি ট্রেনিংগী কালনা
ট্রেনিংগী হোৎনৈবা মমু শিন্নি ইবাম্মিগী কান্নি,
মেডিকেলগী ক্লাস লেক্ল লৌরকপা চেমীগী ঐগী হায়দা
মাগী চিঠী থারকপা প্রপ. প্রপ. য়েংলিংই
ডাক-পীয়ন লাকপা উরবদি চেক্লোকই ঐনা হায়না
লেরম্ৰিবগি বানা ঐনু উবদা "অগয়া অগয়া
পোস্টমেন অগয়া ট্রমরাবা চিঠী অগয়া অগয়া"
* * * * * *
হৌখরে নতম কয়া, চহি অমদগী চহি অমা
থোরক্লে অমুম্না থাদ' ইয়ার ফাইনেল পীরমলগা

থুংলবা কুইদরি মরূপশিংগী পার্তি কুংথরে
কনা অমগীনা অনৌবী লাকপগা কনা অমগীনা যষ্ঠি পূজাগী
থয়না উনিংহুনা, চামিন-থকমিন্ননিংহুনা কুইনা কায়নবহুদা,
নোংমদি নুপীমচা অমমা চেজেং অমা থিল্লকই
থুমলম্মী মথুম চেৎনা ওইরমগদি কাক্লবা মীনা
হায়রম্মী নুপীমচাহুনা "পারম্নি ইচেম্মা তুমিন্না"
ঐ খজিক্তুং হায়বহুদা ভাব তাই চিঠীহু লৌই,
মাসু মুম্না য়েংলম্মী ইকায়রপ মোক্লকেং ভৌরম্মী
"মরম ওকইকো চৎলোকো নীঙোম্দা হায়রমু"

মানা খুমখি "অং" অন্নুগা চৎখ্রে প্রপ্ প্রপ্
ঐস্থু চঙলাক্লে চুমুদা অনুক পম্বরুবা ভৌদনা-
ফাকখি ভাইওান্দনা চেকশিন্না নপলিবা গমত্থু
ওান্দনী মন্নেক থরুদন্নি ইরমলিবত্থদি চেজেত্তদা
'শিঙ্গারৈ শিঙ্গারৈ ইমান্নাগী শিঙ্গারৈ মপুং ফারে
পুং ১০-৩০ শাৎপা ছিঙ্গারৈনা ওাইজরি ডাক্তর বাবু',
নস্তে, থওইরুদবা শিঙ্গারৈবু নাংশিনলিবনি তত্তনা
ইকজনিংবগা খোংপ্রা তেকপগা মাম্নরে তাঞ্জাগী হাযরুরবদি
মুমিদাংগী চাক লোইরে ইমানা চাকপাউ লাক্লে ইবেম্মদা
খন্না খন্না চাক চাখোক্লে ঐগী কাদা ঙৈহাক পোৎথরে
ইবেম্মগা ইমাগিস্থু ফমুং চপ্তখ্রে হায়রন্নগা 'তুম্মুবো তুম্মুবো'
যেংলুবদা ফক্লাং ঘাবীত্থু পুং ১০ তারমলে ফম্বা যাদ্রে,
থোবক্লে নিঙ্গারৈ তন্না পন্দনা মহৌশাগুম,
ওসিদি বিজলীনা পুমঙাল ওাল্লম্নে লুপাগী হোজংগুম
য়েংখিবা খুদিংদা মিৎকুম্ন হোংবা ওমদরে ফজব-নক্তা
খোঙ থাংজিনবা হঙ্গোয়বদা নত্তনা মপা-লেপ্নফাও লেপওমদে
মসিগী পলসি লাইরনা হৌরকখিবনা ওইগনি,
ঐখোয়স্থু মখোয়গুম ইনাক খুল্লবদি হঙ্গোইরমলোই
অচৌবা উপাল নত্তনা মহৌশাগী ফিভম হোংলমল্লে
ফজবগী মহুত্তা মজ্জুবনা হেন্না মহুৎ শিন্না
ইঙ্খাং নাপী লৈ-জু পুন্নমক মফম ওন্নরমলে
নিংথৌগী মাখোওগুম নিংথিররা কয়াদা নাক্লিরা,

মৈনা ইশান-গায়া শস্ত্রি তারিবসিদা ঐনা কৈদৌনি
চঙবদি লাইবদনা নকউক্না ফাওবা গুমজদে,
লাপনা অমম্বদা য়েংজবা নগুনা মৈগায়া ইস্নোকলিঃ
অমম্বগা অঙাম্বগা তায়নবহু ঐগী জেল খানাগী পনথৈনি
পিরুবা উপায় অমতংদি ঐনা লেপলিবা মফমদগী ;
মপা চাউ য়েংবদা থোঙ-থোঙনাও পাম্মুবীগী
মানা অমুক্তুং থোয়রুর্বাদ উগনি, থোয়রুবগী য়ানি
তুমিৎ য়ুরাল ফাওবা উবে কুপনা য়েংমনবনা,
য়াবদগী য়াবদি মী ঙাইবনিকো থঙলে ঙসি
য়েংলমগত্রা মাস্থ ঐগুম ঐনা উদবা মফমদগী
শিঙ্গাবৈ মথোঙদা লৈবমগত্রা উনিংনা লৈতদনা, থম্না
ঐগী থ্রেগ্রিংলবা থম্মোয়সিনা অস্থুক উয়বা কংলবোইদবা
ঙসিগী মফম মতমসিগুম. মুৎলমদাইগী থাউমৈগুম
থংঙান অমুক্তুং ঙাল্লমলগা মুৎখিবগুম তমথ্রমায়
য়েংনা য়েংনা উখিদ্রে মিস্না কুইনা য়েংবদা,
মাগী থোঙনাওগী পার্দ লেঙবগুম্মী থঙহৌদনা হাইদোবক্লে
শকহেনবী মায়থোংহু য়েংথোরকই পাম্মুনা ইঙৌ ঙৌনা
ঐগী থরায় হকচাং জিং লাউই পাখংলি,
ইলেক্ট্রিক্না চিংবগুম্মী মিহুম চেনগুম চেনগামৈ
তৌফম থঙদে—,
মামা উহ্নহানবা চৎলি পরপ পরপ অঙানবদা লম্বী চৎপা মায়বা
উদি উয়ে ঙাইরি থঙথয়ে অঙাওরিদো হয়াওয়াগনি

মপানগী মৈ মুখথখরে অমবনা চেমশিল্লক্-না কোম্লয়ে ঐবু পাজল থংকম কপথংলক্লে হবাওবনা খভুং ভুংশিয়কইদা কয়ালা শক্তি লৈরবা ভুংশিবগী লাইরেম্বা !" ইমা মচিনা অহুম পুংশোন শেনজরে শিরবম্ব য়াঙ্জিরে, মুংওাইবা য়াগদা অহুম চংলদি শিরম্ব লৈ:কোলদা থশৌয়না য়েংউনে মোরককলেনে অমমসিয়া শোঙ্গাদ শোরোং থৌনা কুবী ঝাল্লাগী য়াণাদো-মেকুরা কনা ক্রিদনা গেটকী পোরোল্ল নাত্তে কাংনা কাংনা লাকনরি রা অমতং ক্লায়েল্লৈনবা ঐবু 'কয়াম কুইরে' 'য়াম্না কুইরে' ঐদি উনগনিবু থাজকদ্রবনি ।

মঙ্গাক মঙ্গা নাত্তে ঐ যাম্না য়াকমলগনি
ঐবু ভপনা চংকলে পুন্নৌ 'চাইপোম্লুংগদা
থোঙ্গাল নাত্তে চারা পোল্লোল কোনশিনরে
ওসিদি মঙ্গোশ্লাদগী ইহোং হোংরা মম্মা খোক্রে
ঐগী ইমিং 'ডাক্তর বাবু' হায়না মিংগোনরে
মমঙ্গা অহিংদা ঐবু লাইবী মতম থোগলবীরে
মাম্লী তনৌ-মনোরবী মেল্লোঙ্গী খুৎশাম্লিংনা চপত্রকতোরা
ঐগী রোমাল্লকী চুরা মুনিম্বা চেৎনা প্লায়হনা
চিংশিনবীরে মাগী মমিং মকোকওয়াই মাম্লথোংদা
অহুগা চুম্লীরে হম্না হম্না মুংশিনা থমোয়হমরা।
হকপাওনা বরিমমা মকোনকা লাগী ছুরোলনি চুংশিগী ওসিগী লোইশিনজিনা তাবাইরা পুঙ্গিগী জলাংথমগিদা

শাৎচরিবী লৈনম চাউবী শিঙ্গারৈ নিঙাইদনা
উরৈগুম য়েঙ্ভনা উরোংদা লেঙদনা। ইপানথক্তা
থম্মোয় অনীদা ইবাম্মীগী কোংগ্রেংগী ময়ুংদা মুক্তা লোৎপগুম
খঙগনি কনানা সমুক্লগী মুক্তা রুথিবা নঙনা
হে খঙ-হৈরবা চিত্রকার য়েংলো ওৗরবা থম্মোয়দা
পুন্সিগী লাৎচনবা মূর্তিসে অমুতাপকী,
অহিংগী অচিকপম্নু থুগায়দনবা কৌজেং হারোগী
শৈশকম্নু কায়দনবা নাশোন পীক্লা হায়রকই
ইবাম্নিদং তানবা থম্মোয় ৱানা 'কয়ম লেপ্লি নঙদি মীরমম্বুদা ?
ঐদি ওম্মোক্লা ৱানা থাংগ্রেদা নঙগী ৱাথলদা'
ইকাই মুংশি য়াম্লনা থম্মোয় পাউদমজনকই
মুংশি ঈচেলদা ঈপোম হৌনা থম্মোয়দা।
—'প্রাক্টীকেল ক্লাস লৈবা কান্দনা ইথৌদা পুক্নিং মুম্নী;
ক্লাস লৈতবা অহাংবা মতমদনা মোত্রং চুবা মুংশি ৱাথলদ্দা,
থাংবা ওমলজগা চিঠী ইদ্বুনা থাংকা অসিন্নিজনা'
—'নচিন থীবম্নি মীনা হায়নরিবা মেডিকেল ডক্টোরবী
মশক মতৌ ফজবী অমা য়াম্না মুংশিমৈ হায়'
—'কনানা হায়রিবা ? হায়রিবা মীদু ওইরম্মোয় অতুম্বা'
—'হেঃ অঙাওবা মুপীমিনে, মুপাকা নথচদে'
—'নচিন থিজু মতম শাউহন্নুনু থেংথরে.
হায়গদবা • লোয়না হাইহৌরো হজিনহৌরগে
ইপুক্তা লোক্সনা কাউদনা মীরমম্বুদা--।

কম্পুতর মেরোরিগুম—

—'হায়নিংবদি য়ামপ্রপোৎনি কাওবখিবগী রানিদা
নঙ উবসিদা লোয়না হরাওমনখিবনা,
থোরকনি নঙ চৎপ্রবা কানদা লোয়না অমুক
ঐবু ওৎননবা অচিকপা মরুম মতম খুদি দা
হঞ্জিন হঞ্জিন থাবা কেসেটকুম'

– 'নখোয়গী ইমা বাক্সোদি শাউবা ফত্রিবা?'

—'খঙদে :মখোয়গী অপাম্বমু মখোয় হেক লৈজরুবনি'

—'মখোয়গী অপাম্বতু খঙহল্লদনা করিনো ঐস্তু,
শেংত্রমাল্লে নঙস্তু নবুক, চিংনরেদা ঐস্তু'

—'অতুবুরো নোংমা ইমামা হায়রিবা ঐঙোন্দা
লো-সেক্রেটরীগী মচাস্থপা বীমোল চন্দ্রদা পীনিকা হায়রিবা,
তলব চাউনা চাপ্রপোৎনি নিংথৌগুম পাল্লিবনি,
থানানি এস, পি, নি কা হায়রিপোৎনি তানিংদবনা,
নঙগী লুখ্রবী মচা চুদৎনবা অদুগুম্বকা নত্তে,
অতুদা ঐস্তু পিং লাওতুনা 'অফবতুদা নঙ হেক লৈক,
তানিংদেকো, ঐ কোক শিদোকচাখান হু চাদুনা'
অতুদগী অতুম তুমিন লৈরে'

— 'তুদি নঙগী য়াম্মা লাইবক ফরা রানিনা,
স্নাগী মথক্তা তম্পা খিনবনি শাউকম থোক্লেনে,
মমা মপানা মচাগী স্নাংননবা তৌবা হৌনদে
নঙনা পঙবগী রানি মচা ফহন্নিংবা হৌনশানি,

নও ঐগী ৱাফমনা নাকল অমাগী ৱানি'

—নওস্মু ঙাওবা য়াওরগেরা? ঐদি দোক শিদোকচনি

নপুক ফত্তবা খঙ্গম্নুকো'

—'অঙাওবী, ইমা বাজীনা য়ানবা হোৎনৱিদনা ঐস্মু

থৱায় থুবাক্তা হাপ্লুনা মীয়মত্থদা

দোৎনদি নওস্মু ডাক্তর বাবুগী বাবুনি' নোকমিন্নথি

অমম্বা অহিংত্থদা –

—হোয়-হোয় ৱাখলদি আ-য়ৌরেদনা,

নওগী নপান্দগী ঐস্মু ঙানজবা ফ'না হায়রবত্থনি

হৌজিকমক পরপ পরপকা ওইজনিংঙিকো সৈত্য'

মখা অমুক তারকই --।

—'ঐস্মু এম, এ, হোম-সাইন্স লোইশিল্লনি,

পাবুংনস্মু কলেজগী লেকচরর ওইহনগনি হায়রিবা'

ঐনা খুমখি—

—'ঙাইবদা কল্ল, মুমিং থা হুইনা চারোয়কো,

য়াম্না ৱারগা য়াম্না নুঙাইবা খজিক্তুং ৱারগা

খজিক্তুং নুঙাইবা হৌনশানি মীওইবগী'

হয়েং ইমোমচা, বেবী শেম্বা ওম্নবা কম্না.,.........

ইকায়না খংহায় হায়রকই

—'তানিংদে অকও,.ইকায়রম্নাম্লে পঙাংদা ঙাংঙদনা

ডাক্তরদি ইকায় খঙদে হায়র্বাস, চুম্বা, জাৎনি।।

—'ঐনা ঙাংলিবসিবু অরানবরা, তুংগী ৱা খন্নবা নত্রা?

নঙদি হৈহাকী ওইনা খনবা জাৎনিদনা— '

—'ঐয়ো, হিংচাবা তিংখঙদা ফমজিল্লে'

—'সুংশি য়ারীদবো তিংখঙগী চৈনা কাওবরো

তিংখঙ মথকস্তু তেরা মোম্পাক্সি হায়রিবমি'

—'সহিত্য কাতি য়াওগ্রপোৎনি ডাক্তরমরো'

—'ডাক্তরদি সহিত্য হৈবা য়াদে হায়বা লৈত্রা'

—'য়াই য়াই নমিৎ কাতি য়ামলুকো ডাক্তর বাবু',

—'ঐগী ইমিৎ অনিতনি য়ামজদেয়ে ওঝা-নি'

—'অচা ! নমায়গী নমিত্তু নত্তেয়ে লুপী পাক্সী মিংনে'

—'কনামতকা পামজদে, লুপী অনীকা থাকপা ঙমজরোয়,

নঙ ফাওবা চন্না হেন্নপত্রা খঙত্রিপোৎনি'

—'হৈ-হে ঙাংবাকতি অচুম্বনি খঙদে, অরানবনি খঙদে'

—'অঙাওবী, ডাক্তরনবু অরানবা ঙাংলবদি শিরোইত্রা অনাবা?

—'হোয় হোয় নঙনা চুমজরো, নঙগীসিবু কুইমনব্রেদা,

ঙায়রিবৈদা হম্ন্‌বনা হানখিদনা নৌবা ফংহৌরোইকো'

—'য়ামত্রবদা চহী অনীথক্তা ঙায়রেদা নৌগদবা,

কুইনা লৈশাম্নবনিনা হৈদ্দি হৈংনদি য়ুম পানবদি'

—'তানিংদে, কোচি হেক থাংলদনা ঙাংবদা

মী ইকায়নি ইকায়রোয়কা খংদশারদনা

আদস্তু অম্মুম তৌরমগনি খঙজয়ে'

—'আদদি ঙাবিনবা নঙ লৈতবমিনা কনাদা ?'

—'ডাক্তর লুপী মথায় নানবী অহুক য়াম্না লৈরিহুদি'

—'অদুবু পণ্ডাং ঙাংলুবা য়াত্রা!
মীনা ভুত চুই হায়রকলাইরা 'মিংনগনো ইবেম্মা,
—'খণ্ডজরে ইবুংঙো মিৎনা উরুদবনিনা থাজদে
ঘড়ী অদু পুং কয়া তারে য়েংঙো'
— ফনা থেংথ্রে, অনী, মথায় তাখে শুনকা তৌরগে,
ঐ হেক থুংবগা চিঠী ইরককে নঙসু ইরকউ
রাববসু রানা ঙাইমিন্নসি হোম্নীমুন 'হোম্নী-মুন'
খোঙ্গাল মথংগী ভগনা হায়রকই—
— চৎকোকো ডাক্তর বাবু রাজৌবুকো'
—'গুড বাই, রোইল য়েলী! গুড বাই'
ঐসু নুংঙাইরবা মঙলানদগী মীকপ থোরককপগুম
নাংশিং নীংশিং ইমুম মায়কে পাওলরে,
বোয়েল জেলীদি কমদৌচৌরি অদুগাম্বদা
লাইবক থীবসি মমানা মপান কোকনিংহুমা হৌগৎলকই,
খোঙ হাংহুনা নৈয়মলে মচানুপীসু ভুমলীমত্রে
পাথংনা খোরকালে মপানগী মৈ কাপলরে;
খোঙ্গালদগী চৎলকপা থেংনরে ভকলে মচা উবদা
অমুক্তা থেংনমিত্রিবা খৌলোকসি ঙমীদাসা
অমুম্না কয়ারক খৌকলজি মাঙ্গলেদো ঐদি থমত্রে,
হংলকই— 'নঙদি কীদাই চৎলুই? অহিংসিদা?'
—'কোক খাপকাগং গুনিংরিগা মপানা খৌমুর্জকপনি,
মৈঙানসি নুংঙাইতহুনা মুথৎপনি' খুমজয়লকই।

হেন্না হেন্না চিংনরে চিংনবা ফিরোল য়েংই, করি চারুরে
....



মিংনা উদবা নুপীগী শক্তি

মেডিকেল কলেজদা হেক থুংখিবদা লাক্করমলে ষ্টেট অতৈগী কলেজিয়ানশিং ওন্নমক মথং মথং মরিশুবা চহি তমথনবা মথা মিং চনবগী অতুগী-অদাগী শেলগী মথৌগী মথৌ মক্তা, ইমানা বানা হোৎজহনা পুজবা শেল খরত্তুস্থ বাংলে য়াম্না কোম্নদ্রে, চণ্ডগদবদি য়াম্না বাংলি ইমাঙ্গা অমুক অন্নাবস্থ পীনিংদ্রে, খোংপা য়াবা খোংলবনি, বাজিনা পম্বীরম্বা চাংথোংশিংস্থ চিবা য়াবা চিশিল্লকলরবনি, খনবা য়াবা খল্লে মঙোন্দগী মতেং নিন্নগে য়ারিমথৈ নিরোগ্নদি খনখিবনি তম্না ইরে ঐ চিঠী অমা মরোলদি অম্মুন্না :—

"থন্নায়গী মবেম্মা : শুমহৎনবী শিঙ্গারৈ, মরিশুবা পারিজা ওঅহেল ঐ অমিশুবা রেস্কতা, মপু ইবুঙোগী রুপানি, নাঙপীস্, শরুক য়াওন্নিবনি তঙায়বন্দ্রে,

ওসিদ্দি নত্তেং অমতং নিদবা ময়াদ্রে,
মথং চহীগী তমথনবা মিং চম্নবা লাইরিক লৈনবা
অতে অতে অথুবা শিজিন্নবা শেল কোম্নদ্রে,
পীনিংদ্রে ইমাদা অন্নাবা অমুক মসিগী,
মবন্নাইকা লৈজরবদি লিশিং মঙাদং (৫০০০),
লমন তোল্লে পুন্সিগী থাবীরক্লবদি তন্না মুত্তাইজগনি।
থুদোং চাবা চাদবগী পাউথুম হন্বীরকউ তন্না
ফনদি ইকায়বা ব্রাফমনি হদকীসি,
অহিংগী রাণী—'।।
ঐ নহাক্কী থম্মোয়গী ডাক্তর রুহিয়া
মেডিকেল কলেজ, AIMS, New Delhi

চিঠী অত্থু ম্পিট পোষ্টতা থাদ্রে
চয়োল্ল অমা হৌদ্রে,
পুন্নাং লাংনা লাংনা অনৌবা চহীগী
অনৌবা চঙলকপা ছাত্রশিংগা শকখঙ মায়খংনবগী মুত্তাইবা,
অবিবনা মুত্তাইতনা কায়নবগী তাঙনি,
মুমিৎ তরেৎনি হৌখ্রে টেলিগ্রাম চে অমা পীরম্মী।
লুপা লিশিং তরেৎকী শেলফম অমা;
ঐ হয়াওবগী ওমখৈ লৈখিদ্রে, শংশং নীংথিংলক্লে
মিত্তা মাবু থোইনা হেন্না মুংশিরক্লে মুংশিবগী মমল কাউখৎলে,
চৎনবা য়াবা চৎপ্পগা লিশিং অহুমদি চেকশিন্না থমজিল্লো,
শারম্বা লাংলম্বা পুক্লিং ব্রাখল পুম্বা,

কোক্তা উন থোম্বগুম হংলে চাদদা। পুক্লিং ...
ইমাদা মতম খরদি শেল তান্দরা স্নারপি,
তপনা হিপথৈ চিনবা কাটরগী কঙ্গুংথক্তা
মথং মথং খরকই মুপীগী শোন্নবা থশ্মোয়ুদা লোংলিবা শক্তি
মুপানা গুমদবা মিংনা উদবা শক্তি পাঙ্গলগা তানবা ফ'দবা
এনা গুমদবা ইমামা চৎলদদাইদা থিকখা শেলকম,
মসিমক্তা. ইনা কৌনরিবলিঙ্কা শক্তিসিমরা মচাশিংবু
য়োকপা গুমলিবা।
মুপী শক্তিগী ইযুৎনিকো
মপুরোইবগী অমদি ইজ্জৎকি মরুমদা লোত্তুনা লৈবা চা লাইংম
মসি থবক্ ওইনা থেংনবদগী খঙ্গলকপা জ্ঞান্নি, অদুবু
শেন্নবা হৈত্রবদি য়াম্না কায়গনবা দৌলিগেত ওইবা।
অথুম্বা অচাপোৎনি লশিং মযোল্লগুম্বনি,
মাপুম খুদিংনা মিতানরিবা ফংনিংবগী, চানিংবগী, অপাম্বগী
ফোঙনা উদবা থশ্মোয়গী লৈকাবুংদা লালহৌবিগুম
অম্না
থন্না থন্না তুমথখ্রে মুংঙাইববা আশাগী মৌকপাশথক্তা।

—★—

থশ্মোয়গী অরাবা

অঙাংগীদগি কন্থজোর পরক্লম পুকপামীলো
পুক্লিংদা লাই ফত্তবা চঙথম্নৈ অম্থুম থোকউ তম্বমা

মচানুপীব চিংনবনা নীংক থাদথরে মদিদোলদা;
ঐবুনা মীহাৎপগুম য়েকথরে, সুমিৎ চুপ্পা
মচাবু নৈবারে অইঙবা মফম লৈতরে
মকোক চাউরে, হায়নিঙাই লৈতরে অরাবনা
পলেম পম্বৌ রাতানরে অচিক অচিকপা মতমদা
মচানুপীনা য়ুনিভরাসটাদগী হল্লকপা খুদং,
কৌখিদ্রে মহৌশাগুম হরাও হরাও মচা ওইবীগী
নোংমখি সেক্রেটরী মতু ওইরমাক্লে ফমল্লগী প্রারম্ভ
থোঙ্গালদা ফজবা কার অমসু থাদ্রোহোই ড্রাইভরনা উইহনা,
সেক্রেটরাহুনা সুপাদুনা; মনা য়েংহোই মমৌগী আশাদা পেঙনা
ইকায়বা পাখংপা চিংনবগী ঈচেলনা চেনখিরা
মায়থোংদা খোঙথাংদা, থমোয়দা ইকায় ফাওবী
বারা মথা চৎথনখিদ্রে হনদকী—
থানুং অসিনা মাইনা পুনশি পাঙথোকনা পাঙথোকরা
পাবুংসু 'ফনি' অয়ারা পীথোকপা ফারি ইমানু
পাদ মকুমবা মকোক মরু খুমহনা
মচাগী অফবা মঙ্গলগী আশীর্বাদকী
ঙৈহাক ফম্মীররগা য়োজরগে হায়বা ভাবনা
থোকনিরখে থোঙাল ফাওবা পারংগা
ঐঙোন্দদি ইমা অনুভসু প্রীরক্তে চিংনখিদ্রি খিংনরে
কুষ্ঠিকা য়েংলবদি তিপ্পাপ্পোকা তারমগদনা মাদি
ফত্তবা গ্রহশিংনা খাগদগী কোক ফাওবা চারমগনি

মথং মথং খুঙ্খলুনী . চক্ষাদা নৈরকখি—

* * * * * *

মামা মচা খংনবা

মীওইবনা আশাগী মরুমদা পোংথাত্নুনা থিংই অবাবনি ! মরু ফুকপ্রবা আশাগী মীওইশিং ঙাওচংনরকই, অউ অউবদা খুদিং মাবৌই খোইরাং খোইশাওই অচিকপা পাম্মী কায়প্রবা আশাগী ফুবাদা হুম্না হুম্না অঙ-মঙবনি নিংবা কায়রবশিংগী মুঙাইবা হায়রবদো, মুমিৎ অদো নোংমাইজিংনি পুমচিক চকই কনাস্থ নৈতে ইমা নওনব ইথামিদনি, ইমাগা মহৌশাগুম ত্রো ত্রো তৌনদবা কুইবে কোচি থাংবগী, ময়া শকক্তবশুনী হাকন্দা হায়রকই অচিকপা থুগায়ত্নুনা শাউরপ 'লাকলিবা যুমশকেশ মুমিত্তি মাঙোল কাখনি নশা নউ, নফি মরোঙি কেনা নৈযু ইকায়জে —' তাজনিংড্রে হিংচাবী অপাখা নক হেক নৈক উমজরোয় রূদি পিং লাঙবা জার্গন'

— নঙগী লুপ্ত্রবী মচা চন্দ্রকংনাল অহ
পং-তংনা পামজরিবা করি য়েংহুনা'
—'তুমিন লৈযুকো মীগী লুপ্ত্রবী মচাহুনা
নাঙোন্দগী কবি নিববগে ইনাকথুনবী, মহারাণী'
—'নিবগী রা নত্তেনে, ওায়-শেল ওইজনিংদেয়ে,
লেঙ্গা চাদে অচৌবগা অচৌবগা. মচাগা মচাগা'।
—'ঐখোয়বু নিংথৌরা ? লাইর-এমি, তুরুচন্দ্রা ?'
—'খঙদে খঙদে নপাবুংগী মায় চাকচৌ
হায়বিদে হায়নি মীগী মমাংদা শিবা য়াদে'
—'হী'চাবী, নুপী নত্রা নহা ওইরক্ত্রমি' ?
—'ওইরকই, ওইরকই ইপা ইমাগী মাথং ইগুরকই
হে তোংজরক্তে নংগুম্না'।
—'অহুদি থায়নগী অচাথাউ তৈরিগে রানি
ঐস্থু অঙাং নত্তে, অক-কত্ত খঙবা ওমজরে'
—'নঙগীহ্ন ফত্তে হায়দে, হেন্না কবা খন্নাবা'
—'পামজদে, পামজদে থনাকা পামজদে ঐ'
— থানাবু পাংপরা শেল ফংলগা লোয়রে'
—'নমিত্তু শেলদা উত্রেনে, শেলনা' মুংশবা
ফংদবনে লৈবা, কৈথেলদা থোক্তবনে'
— শেল লৈরবাদ মুংশিজরকান, খংনবনি লৈত্রবদি
মুংশিবা কায়ে চম্না হোন্নদবু'
—'অঙাওবী ডাক্তরনবু চয়া' হেক্লেত্রা ?

নথবায় কনবীদৌরিবনি,
অহাউবা চিঙ্গাক থুদিং হকচাং কবা [illegible]
নঙনা পীথকে থজিবা শকোম অনৌবদো
মচি য়াওজবা নিঙ্গা [illegible] শকোমকে,
হু, হু, হু, থুরুপপা [illegible], অন্নানে
খু-খু কাঙলে [illegible]মানবা [illegible] মমৈ [illegible]ংপতুম
তাইবঙগী [illegible] মঙলান [illegible]হোরকপা [illegible]
.... ।

শক খঙনবা

মাগী বীমো[illegible] [illegible]দো [illegible] [illegible]দ- [illegible]দা
গড়ী অনি [illegible] [illegible]-[illegible] এস. পি, [illegible]গী
ঈঙ্গিৎ অমতম্থু [illegible] [illegible]-[illegible]শিগী [illegible]
মাগী মীকা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]নর।
নোংমা শক [illegible] হা[illegible] [illegible]
অথুবা পাউ [illegible] [illegible] অ[illegible]-[illegible],
[illegible]পনতগী ৱাহৈ [illegible] [illegible] [illegible]।
'ঐদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
অহল-লম্মন কিনা চৎপা। [illegible] অ[illegible] পা[illegible]
ৱাহৈ পরেং অনিদ্ধ্না- [illegible] হ[illegible] - [illegible]-

পণ্ডথদুনা থম্মোয়দা লৈহৌরে
খোম্বাং ষৈদুনা হমা হমা
লাইচুত্রবা লাইরেনগুম .... থানাগী মাঙদা,
ইনে চন্দ্রজিনীগী কাহুদা অমুক—।

* * * * * *

অরাবা পাউ

নোংমা মেডিকেল কয়েজদগী হলকপদা
ঐগী কমুদা চিঠী থাউ অমা তাদুনা লৈরমী।
য়েংলুবদা হরাউ নুংশি য়ামনা, চিঠীনি মহাক্কী
ময়েকশিং অহুদি মহৌশাগী ফাগি নত্তে,
রাখলনা উংলবা থম্মোয়গী তেংথাখোলনি
হায়রি ময়েকশিংনা কম্মুমা ....

'ডাক্তর বাবু,
নওবু ঐগী কনানো? মীনা হংলগা করি খুমগানি?
অশেংবা নুংশিবদি য়াহৈ নত্তে থবকনি,
চাং ওনবা নত্তে থম্মোয় তিনবনি,
লমন শিংবা নত্তে মীনুংশি চাউবা ডান্নবনি,

মরৈ নত্তে ওইনজবনি (মুংশি মকাদা),
হাংপা নত্তে চুঙজুফম পীবিরনি,
কনবীবনি মুংশ্রিরবগী মুচংনি—
নঙনা ঐবু করম্না থম্বীরি, বাবেদা ঐদি
অবোনবা হায়বসি মুংশিবগী মচং অমনিকো,
ঙসিদি ইশানা য়শাবু থাজরক্কে ;
গ্রহাশিংনা মতমগী শাদোংদা
মীওইবগী মথক গুলহাঙি ঐস্থু মী অমনি,
করিগুম্বা ঐগী অশেংববু মীনম্বনি থল্লবা
চাক্কনি নীঙমদা মৈরীনা বাংনা পোলোয়দা,
মপোক মপৌক খুদিং মুংশি শরুক থুংজবোয়
মুংশিবগী থ্রাভাকজবি সা লুপগী তম্লাক্কা নত্তে
মুংশিবগী তম্লাকঙনি ;
মুংশিবগী খোৗরবা জেনজৈবা থম্মোরু থুম্না পান্দুনা
মুংশি মৈচাক খাংমিন্নবন্থু মত্রা মপুনা শাথা শিন্থা,
ঐগী লাইবক্তনি করম ঙমহনগদৌরি নঙনা ?
ঙসিদি ঐগী থম্মোয়দি বাহং ঙাক্ত্রনি
অতুবু হংবগী প্যাঙ্গলগু লোইরে, ন্যাপ্যাখবনা,
উরিগা উপালগা করম্মা হেংকনি
আশাগী মৈরীথু শিকপ্পরে, পুক্নিংগী অর্থসু থোক্তরে
রুখুহোৗরবা মিকুপ্তা ন্যহোংবগী মুমিং লেপখ্রে,
হয়েং মাঙোল কাবনি, ঐগী হায়জবা ভাবিত্রে

পাঙল শোনবী শিঙারে খশ্মোয় য়েক্কা য়ারৌখিঙু,
পাম্মু সেবা তৌ তমখিত্রমারে নোংদম থীবনা;
অয়েৎপদা ওইরানি {নঙগী} নিঙোল পাঙল
ফুদোকল্লুবদা—
ঐনা চৎকদৌরিবা লম্বীসি অমম্বা লম্বীনি
থা থোক্ত্রবা অহিংনি, শারবা মরুভূমীনি,
নহাক্কা রোয়েল জেলী,
পুং তন্না মথায় শাৎপা,
কেনত্রগদবী শকখঙবনু লৈকোলদা
বীদায়গী রানিকো পুন্সি চুপ্পা ইররোইদবা
অমুক হন্না পুন্সিগী রাইহে লুংসিবা
কপ্পচবা নঙমা লোন্না কোম্না—
থশ্মোয়দা কোন্দুনা লুপ্সি মুঙিবু কাংশিন্না"।

• • •

ঙসি অসিবু মঙন্না হান্না
করম্বা অপাইবা দশা, শমিগী দিম্বি,
ফমুংদা কুপ্পুনা চৈরম্বা লিম্বু অমনা
খাল কৌবা লাইগী—
থঙহৌদনা চিকপনা রান্দ্রে কমু থক্তা..
নোয়ত্রমাম্নে হুঙাইবা মৃতন ঐগী
শোয়ররম্নোয় মন্নায়া নোংমা হায়খবা,
লাক্লমাম্নে—
অরাবা বটালয়ান কয়া হৌদনা।

ঐগী থম্মোয়রু লান্দাক্তুনা হাৎলগে খন্না
ফিভম্ চাত্রিদৈ ত্থাম্বাসিন্না—
ঐ অশিবগুম তাহুনা অতুম্ লৈখরে
ক্লাস য়াওগনি খঙদনা ফমুংথক্তা
শিরিত্রা ঐগী হিংথিরত্রা ইশানা খঙজদ্রে,
পুক্লিং কাথকন্না নত্তুনা মিহুন ফাওবা লেপলবগুম্মা।

—★—

ইনেনা কৌবা

নোংমদি ইনেগা মামাগা লান্নমী
হায়রম্মী "লাক্ত্রবা য়াদ্রে নঙ হয়েং স্কুংথিল ঐগীদা
ইপাগী হেক পোকমিন্নবা ইনেনি
য়াম্না হঙ্গোয়না চৎচৈ মথোয়বু
"অরুবা বা তান্নগদবনি শোয়বা য়াদে
চৎলে শোয়বা য়াদেকো গুপীমচা""
ঐস্নু অশেংবা ব্রাকম খঙদবনা "হৌয়" খুমখি
চৎলে মথংগী স্কুংথিল পুং ১ তাবহুদা
কনাস্নু লৈরমদে ইনে মামা নত্তুনা
অঙাংস্নু লৈবমদে কলেজ কানখিবমাল্লে
তরু তরু পানজবা খুমবালনি, মীঁ য়াম্নদবনা
পংলাপস্নু লাপ্তুনা ইরৈকাইহুদা,

কবি রাকম ওইরিগবা নোংমতা অসুমা হায়রবদি।
ঐ পবপ পরপ চংই 'ইনে ইনৈ মামা, মামা'
খুমকই চাকশঙদগী 'লৈয়ে লৈয়ে চংলকই চংলকই'
ফম্মু. ফম্মু রা অরুবা অমা 'থগদি'।
নঙগী মামা চাক শিজিনমখিসে থবক হানকথাঃ কুইদ্রি।
অহুগা রারী শাশি 'ইবানি'
ঐ তপ্পা ফমথে সোফাহুদা করি রাবু ওইরিবা
মাগী থানাহুগী সোন্দনা ওইদবা। রাক্রিনা
ইনেহু চাকথুমদগী মুনা মতেক অমা ইরুপ
মথুং-মশা তৈথোক তৈথোকতুনা লোকলকই।
নৈফু মচা অমা থম্মত্রে ইরানীদা কারবা
রারী-মচু লৈতোকপকালে অসুবা
'নুপীমচা নুংহোংপনি হায়রম কাহলিবদিনা, নঙগী মমতি'?
ঐনা খনবহুমক ওইরে। অদুবু ঐ খুমলনা লৈ চাইহাক
মথা তারকই ইনেনা নঙগী খওনজরকা হৈরবা
ঐগী হঙ্গোয়বহু উবদা মথা তারকই
'ঐনা হায়রিবসি হকোন্তরুহু নঙগী রাক্রবদি'.
ঐ লোংপা পামত্রে থঙোয়দা, অনেংবহু হান্দোক্লে
'অমা লৈ ইনে' মামা পুরক যেংলকই (ইনেনা) .
অহুদি করম্বগীরে। ? কবি থবক. তৌবা ?
কঙ্গিনাজা হকোলহু থরুদ্র ইকায়না জারে.
'মতম্ক মিগীদা মঙ তমদি নখিনা মাইকা কৌই

'লোয়গদবদি কয়াম বাৎলি ?'
অহল-লমনদি. শুনা লৈরিব্রা ?
—'পাবুংতুদি লৈখিব্রে'
—'মচিন মনাওদি কয়ালিনা ?'
—'মখোয় অহমদনি মুপা অনি, মুপী অমা'
—'মাদি কয়া শুবনো ? মানা অহলনি'
—'ইমুংগী ক্ষীভমদি কমদোই ?'
—থোয়না লায়রদি নত্তে মচিশাক্তি. বাৎচদে
ঙৈহাক মুম্না খষ্টে মরু শুরা ইনেদো
মমিং অতু খর উইশিল্লগা মমায় থাংগৎলকই
খর চিংনা হায়রকই 'অতুদা ইবেম্মা মওগীসবু
ফত্তে হায়বদি নত্তে য়াম্না ফৈ মীনা পাম্নবা ঙাক্তনি
অতুদা অমত্তুদি তম্বা লোয়ব্রিবনিদো লোয়রবগু
থবক ক্ষংনি ফংলোয় খর্ত্তাব্রনে, অমত্তুদি
অরাবা লেল্লবানিদো মহৈ চারবনিদো
ফম চাউবসু য়াম্না হেলমায়েন'
ঐ খরা শাওনিংই শাওবদি কি হঙ্গোয়
ঐ থেমগে খল্লে 'ইনে লুহোংবস্থ য়াবা ভম্মোয়
মীগী মচা অমা হাংপানি ঐবু মুংশিবীয়'
'অপংবী, হৌজিক মতমসিদি মতুগী য়া. লৈত্রে
ঐগী ফরগা পুক্লমক ফরবানি নও অহলগী মায় তাকউ।
মতুনা তুংগী লম্বাদা মায় পাকনি ? নখোয়বু মহা ওইরক্ত।

ঐ শাউনা খুমলকখি। ইনেনা শাউরে খঙলে
'ইবেম্মা ঐখোয়স্নি নঙদা নত্তে নহা হায়বসিদি,
এসো ভম্বা অমনা ঐবু লৌগনি হায়না
কোয়শেল শেন্নজপ্রবা, ঐনস্সু মুংশিজপ্রবা
অতুবু লাইবক্কবু তমলমত্রর্বদি অহল মশেন্না,
নঙগী বাজিহন্দুনা ব্রা হেক-লোয়থোকনরমলে
মতুগী হায়রুরবদি লৈক্রেক অরাউবকা লৈরদি
চংতুনবু শিরগে য়ৌপ্রপোংনি, শমনা-ইফা-ফা
চানি-থকনি খঙপোংনত্তে অতুবু
তুই হৌদোংদস্সু লৈমিন্নরবদি মুংশিনরকই হায়বতুনি
হৌজিক্তি ঐগী কুশি তৌরিশিনী'

—'অদো ইনে ইমাদো অমুক্তা থেম্বায়ো
মামা ইনেগী ঙা চানবা তৌজগে'

—'নঙগী ঙা চাবা চাদবগী নত্তেনে
নশা মুঙায়নবগী ব্রানিনে অঙাওবী,
নঙগীতুনা হৌজিক হৌজিক ওইরা ম্লারবদি ফবা
নত্তবাননা মখা তারস্সু সে—হা?'

—'ইনে নঙ 'ঐ থক মুংশিবিত্রমানে' (কপ্নি)

—'অঙাওবিসিন্নি, করিগী মুংশিদনি মুংশিবতুনবু
ফহননিংালবনি. নঙগীস্সু কক্লোজগী ওঝা হায়বদো
হন্দক ইণ্টরভিয়ু হায়দোক্কনি হায়র্বনি,
নবার্গিগী তলব অক্কু কনানা চাতুনা লোক্কগাদৌরি?

মামা খোয়কই, ইবেম্মা অংহল ননন চৌপহনগন্নু
নহাকথক্তা ইবাই ইবুঙো চোপহনবা য়াদে
মহু হায়গে হায়রিনা মামানা কৌবনি নশা মতিক চারবনি
ঐখোয়না হায়কম খোকই হায়বনি
ঐস্নু থুম্বা ভমদরে ইনেনা হন্না হন্না রৈশিনবনে
মামানা অমুক পন্না পরে কিশিল্লরে কোক ঙাওরে
কুইনা ফমথবা ভমলক্তে, অচিকপদা পোৎথাবা পামলে
মামা ঐ থবক অমা চৎকদবা লৈ য়োক্তরগে,
ইনেনা কোম্বোং ফাওবা তান্না তান্না পাউমেল্লে
ঐনা ইতোমতা শোঙ্গে নরাইবক থিগ্রেদা কহীয়া
মীচং অমতা লৈতে নঙগীনি হায়বা —
ঐ কপ্পা কপ্পা হন্নক্তে লম্বীথুদা মাবু নীংশিংনা—।

—*—

খুদোল পোৎ

হে, ফাইরেল খা! অনৌবা পানবী যুংশি-খুদোল খা
পুক্নিং য়েম্মিং হন্না খা! পোম্বী চেন্না হন্নাও খা
চংখি চাই খুদিং মেচাক্কী ইথক ইপোমগা লোয়ননা
অন্নাকপা খুদিং হঞ্জনবী পুক্নিং চৌহা
অহুবু ফুরশীদি যুংশি ইনোক্কী মহুতা

নোংলৈ সুম্ফিদা, লৈশা মৈগৈ লৈরিক্কি।
অনৌবা পাম্বীশিংগী মথক্তা চোংখৎলক্কৈবা শাচুংলাদা
পোম্বী চেক্লাশিংগী ইনখৎলকইবা ঁ মৈরাংশিংগী লৈতোলদা
চৈথেং ফগনবা থওকাও শৈবাগী শাক্তি থোকদা
শুদংগি নাবা, মৈহৎশিনবা অমুচবী লৈকিং খঙনবা
নহাশিংগী মুঙায়রবা মহৈরগা লমশাংদা
রাখল, রাখল, রাখলগী মকুপ রাখল।
মিকুপ খুদিং পেন্নবগী লোনবা শাওনিংবগী, শাওনিংবা
তাঙাতদা, খুপনবা। চিরনসনবা। ওয়াচরা তাই
—কনা অমতা লৈবা উদেনে—চৈনবা
ঐ লৈরে চওলকও ইমুংদগী মুমখিবা।
—খিচাবা ঐকঙৌরিবা? পুনবা মপোংখারৈ লাংইমা?
—অঙাওবা লাইথীবা লুহোংগনি হায়বগুমা?
নওস্ন, মার্কর কপ্পবা। নম্রা। জাং। সিরাদবা
লেমন ফাওনদবা এনা ওাংবা লোইত্রিন্তে
—হোয় হোয় মরোলম্ন থোক্তরনি মনাম্ন পুংবানি।
বব-কৈন্থা অনিহু ইকিয়ান চংনবা অকুপকি।
—অহবুদি অধিকার মশক গুওবা। শকনাইবশিংনা
চেল্লি-চোংলি, হরাওবি শেঙা মংথোক্তি ইকুং তাম্ববিদনা
- হোয়, হোয়, সি অমুম লৌশিনগে
—কবিখো অকুংবা?
—লৌদা লৌশিনগে, অঙালা হায়গে

লুহোংবদা পোৎ পুরক্লবদি করি ওইবা হৌনৈ ?

নও অশাংদি নত্রেনা—হা ?

—প্রজেক্সেন হায়বত্রা ?

—মানে, মানে পোত্তি হাংলগী খঙবা হায়বত্নি,

মথুমত্ তপনা তপনা হাংই, কিরনমালানা খঙহায় হায়

—ইস ! য়ান্না ফজে তাজমহলনিনে

মনুংদা নওগী ফোটো য়াওইনে

—হিংচাবী নওনা নৈরুবগা তৌশিন্নরিসি য়েংউ

—ডাক্তরনা থারকপনে........ইবেম্মা....আ....দিল্লিদগী

—করি হায়বা কনাগী ডাক্তর।

—অচা ! শান্নশিল্লকইসি য়েংউ।

—নওগী ডাক্তর রুহীয়া কাউরব্রা ? থুনা কাউমল্লিদা ইবেম্মা

—'নওবু ভাওরবরা ?

অচা লুহোংলমদাইসিদি মীসে হেক হেক ভাওইনা

—'ঐ নত্তে নওনি ভাওরিবনি, ঐগী মুংশিনবা ডাক্তর নত্তে

মুংশিজরবা মরুপনে। করি খনর্খিনি মীনা তারগা'।

অহবু থম্মোয়দদি ফপাল্লি কোন্দুনা হিক হিক

—'সে চুম্মীনে কমলু, হৌখিবদি হৌরসনু'

ইশম ইনাত্ তাশিনবী থেমজিনবী মানা

করম্না কাউগনি হন্দক মপোকসিন্না

কাওগে মথল্লি কাউওনদে থোইনা হেন্না নীংশিংলকই।

—'মীওইবা হায়বসি মসিমক্তসি, কাউজখিনিদা'

—'করিগুম্বা থেংনরবদি ভবীয়ু নঙনা
অঙাওবী শক্তমসে, নিংঙমদবগী চোয়রোলসে
পিরাংগী ঈপাক্তা ইরাকখি, অবাবগী শরনা ফুনগংখি
লৈমায়দা খোজ্জুনা থাংখি কয়ারক তিংদম রাম্থখি'।
—'তোকলো ঐ লোয়না তমগেবা নঙগী নরাজস্থু নত্তনা
লাইবক্তদি তমদনা, মাস্থু পুকচেল চাউবনিদা'
—'মানা পুকচেল চাউবত্থনবু ঐনা থাদোকপা ঙমদ্রিবনিনে
কিরনমালা ই....ই... ই কপলি'।
—'নঙদি থমবু থমখো ঐমক্লা অস্থুক মুংঙাইত্রবদা
নঙদি করি ওইনি'।
—'নাগী প্রজেক্সেন অসিনা তাকপদি
সহাজহন্না মমতাজবু মুংশিবগী খুদমনি।
তশেংবা ঐবু মুংশিবনি ই....ই....ই.... ।'
—'গ্রিটিং অমস্থু য়াওরি কাউবু কাউই ইসে
পাশিল্লকই মানা ইথুংসিদা, লোই ঐস্থু য়েংনিংনা—

"Congratulation to Happy
Marriage Miss Royel Jely"

সমুদ্রদা অচৌবা জহাজ লুপখিবা
মৈগী চাংনা অচৌবা সহর ননশিনখিবা
চাকনিবনা লাক্ষপতি ওইরকপা
ঈশ্বরগী অয়োনবা লীল্লানি,
হুমজিনখিসনু থর্কাসদা .লৈরোল .লৈরোল কাউখিনবা

চহি থুদিং মরুভূমীগী কৈজেংঙাইগী মোংইলনা
সমাজনা খণ্ডনবা খণ্ডনবীংনবচুনা খণ্ডলনবা;
য়াইফবা ওইমুকো—নাঐগী মন্নবা রাজনন্দবা
মুলশিং নমন শিংখলনবী টেবাকচরে—
মোলচৌখিদে মঙ অরুব্দবা রশিগী ইমুদাম
লম্মুরনবা কাননবা অমাইগী ঈপাক্রাগ পাহ্ংলিম খঙবা
চৎলোকো মশানৌ নকানা—নুংঙাইবা মঙলান মঙাবা
হন্না য়েংলমগন্নু ইরাঙ্কবা ঐহু ব্রশবন্নি।”

ঐগী মিৎকা দি চেষ্টরী থিংবা ঙমদনী—
— কদায়দগী নুংঙাইফম থোকানি
শিথিবদি নত্তবনিনা মোংমাদ য়েংনানদো”
ঐনা করম ইমায়দি উইকানি ? ইকাইজে,
—‘খঙত্রে, খঙত্রে লাইনা তমবা হীয়বত্থানি
ঐ চৎলে খন্নুরন্নু; ঙাওধান ইবেম্মা!
থোরিকমানরে ঙাইনা ভাংনা কোম্মোংলোমদা।
....

—চাই—

রোয়েল জেলীগী রাজলগী শক্লোন

চুয়েংদি বীমোলচন্দ্রগী লুচোলন্না .চুমিংদনি
ঙমাদ্রিস প্রীনা পিক অরনি

শঙ্গ নৈেখা মক্তমি —
শিঙ্গারৈদি য়ানা থাংলনি মমিং উইশিন্নুনা
ডাক্তরগীদমক খনবীবদা শ্রদ্ধাগুম উরনির্দা
নুংশিবা মাবু লেরোল চনশ্রমিদো
ঐগী থম্মোয়দা লুনা, কমা খঙজনা মীহাৎপীগুম
মায়থোংদা মমি তাদনবা মঙ ঐগী ইতিহাস
নোকনিংদা নোকশিন্না, চানিংদমী চাশিন্না
তায়োন্ননা — পুক্লিংগা থবকা;
হয়েংগী হুক্কদবা কুন্দো পরেংদো ঐঙোম্দা
মহু পুবা তাংজ লিনগুম উরেনে ইমিৎসিদা;
মীহাৎপিনা শিগদৌবা য়োহেলো, কোহেলোগুম
পুন্সগী ফাদোক তারবা মীশককুম
জেল খানাদা —
শিরসি শিঙমদা হিংখিশি হিংঙমদা
নাশোন পিক্না নাহেরিবা পাঙ্গল য়াওদনা
পেঞ্জগনি শিরবদি মাগা অমুক্তং উন্নজরগা
সাত ধর্ম্মা ঙাক্লবা মশুংলাংগী মমাংথানা,
হায়রমবদো 'শাহৌফবী শবান্নী
হার হাপ্পগুম ক্রং.ক্রাং চাউথৎক্লকপসিদা.
কল্লকপনি অঙাওবা পাথংশিংনা, চেকশিননজৌ
দশাসে কপলাক্তা নম্ননি চোপচল্লি,
অম্নুম্না —

থেওলবা অহিংগী থাবলদী মুংশি ইনোৎ হৌরি
শিঙ্গারৈ চরোংবু কোন্দুনা মুংশি পাওমেন্নজরি
মিংকী পিনা মৈচাক্কী থাওবু ওইনরি —
নওগী মুংশি সংসারগী অরা-মুডায় লোয়থ্রনিদো
অহিং মমৈ ওইরকপসিদা ওসিগী,
হুয়েংগী অনৌবা মুমিৎনা থোরকপদা
তাকথ্রনিদো নওগী মুংশি লিক্লা অরুবা
কাউথ্রগনিদো লৈনমদো অথেংবা অহিংদা শাৎপী।
থাবল্লৈ, শিঙ্গারৈ অনি পুনবগী শাৎমিন্নবগী।
অনৌবা ঈচেলনা পুরকলনি অনৌবা আশাগী মঙলান,
ঐবু য়েংগদবগী মমিৎ চাশ্মা চাম্মানা
মায়কৈ থুদিংগী অনৌবীনি হায়হুনা
কদায়দনো লোৎকদবা নঙবু
থম্মোয়দা নত্তনা ঐগা শাগোন্নরা
অহু ওইজরবস্ু —
থারনি অনৌবা অশাগী লৈরাং অমদি মতমনা
নওগী মোংফম থক্তা লৈশাং তম্নবা অনৌবা কুমওন
লাকপদা —
পোকল্লুরবা পুন্সিগী কাংথুল মুত্তনবা
শকথওদ লৈকোল্দা নোংদমবা বিধিনা
শিংনহুনা ঐগী পুন্সিবু—
পুন্সিগী লোয়নগদবা অপাম-মুংশিবু
কনথৎপিরে মুংশি হৈতবা শাজেনা লায়বকসিদা ·

মচেৎ-মচেৎ তানা ময়ি চৎপদা নত্তনা থম্মোয়দা
মীগী মরল কল্লকপগী, মচাবু অৱাংবা উরোংদা শাৎহম্নীংবগী
ওইরমবদি য়াই অহুবু
থম্মোয়দা লায়না পক্কনি খনবিদবা, ইশাগী হকপু মুনবীবা
নিঙোল কয়াবু ৱাহনবনি, নহা ওইরকপা কাউব্রা
পলেম নঙবু ।
খল্লি মখৈ পেন্দবা নিংশিংলি মখৈ মুঙাইবা
হৌখিবা মুঙাইবা থৌদোকশিং ঙসি লাম্মৈনা তুম্না চাকথ্রবা
অশাগী মরক্তা, হয়েংদগীদি —
ওইথ্রনিদো লমলানবা কনাগী প্রেমগী পুজারী;
কয়াদা চুমথ্রবা চৎলমদায়দা হায়রম্বদো মহাক্না
"হয়েং হল্লকপা মতমদা ঐদি থাজদে লৈরমগনি,
নিঙোল ওইবা মপোকসে য়ুম্মাক শাগৈ নায়দে।
হায়নৈ আলু মথেলগুম্বনি, পঙথবা মশিং য়াম্মী,
নঙবু মহাপুরুষ অমরা তুংগী ৱা খঙবা
করি পুন্না তৌরক্কুনা অহুক পুকচেল চাউরবা
স্বর্গ মর্ত্ত পটালদা য়াওরমলোয় নঙগুম ঐগী ।
পুন্সিদা মঙোল ওইয়ুকো ঈশ্বরগী কৃপাদগী
ঐগী অপেংবা মুংশিবা ওইজরবদি থুংনজব্রবসু
অফবা শারুবা মাগী ওইজরসনু, অৱাবনা ঐগীনি
মসিনা লমনশিংবা শকচগে মহুতদি পীনবীয়ু
ননায়ইস্পুবীনা ওম্না থোইনা খাংলবা নঙতাদ উরিনি

পামুবনা উবিত্রবস্নু ওইবিযু নঙনা শাক্কি"
হিকহিক লোম্না থম্মোয় থম্মোয় শোক্না কপচরকই
ব্বামল্লবা থম্মোয়দা অহিংগী নীত্রানা শুমবিত্রমালে।



মঙলান

নুঙাইরবা মঙলান অমা মঙলকলে
চীংয়াগী ফজরবা লৈকোল অমদনি,
শাংলি ফজরবা মখল মথেল কয়াগী লৈরাংশিং;
চিল্লোকনরি পোম্বী চেক্লাশিং মনা পু,বা উপীলদা
খোয়মুশিংনা ভংলি লৈরাংশিংগী নাপ্পদা লোম্না
লৈকাদা জোৎচবা লৈহীবু থকচনবা পেন্না,
য়েংখি য়েংখিবা থুদিং ওমদে মিফম হোংবা
কয়াদা মকক মাম্লবা শম্বল লৈঁ।শং,
অয়েকপগুম্মী খিন্দুনা থম্বাগুম্মী —
উগুবশিংনা অরামদীরম্মী মাল্লগা,
অশংবা অইংবা মাপাশিংমী গাল্লীচা থাবগুম্মী,
অমুকস্থ শ্মৃতিনি হায়বগুম্মী —
মায়কৈ থুদিং য়েংখিবদা অইংবা মক্তা
শাংলি অরাংবা উপাল থুদিং ফজবা লৈ মচু কয়া

শাবী শানৌ কয়া চংথিবৈভুজা জুরা।
মুণ্ডাযবা অশাদা ম্রেমোচ চেমজুমান লোকুনা
ফম্মীনৈ ডাথনৈ অমনা কুকগী চপলান
লকুবি শিয়োমুংগী অপুদা, ঙাম্বু।
শকক য়ারম্মী ঐসু তরুক তরুক

নিংথিবশিগী মকুতা চৌথিবা অমসু নিংশিংদনা
খঙহৌদনা নিংথিরবা শম্বনৈ মরুমগী
অঙৌবা এপ্রোন, শেংপা, মঙকা সম্ভেতসকোক য়ানবা
থোবক্লে মুপা অমা নিঙ্খয়দনা ঐবু তম্না চংলকই,
মায়থোংহ য়েংবগী প্লেনবা নাযদে পুক্লিং হুই
মাল্লিনে এবোপ্লেন থোবা—প্রাইমোটুজু —
চুম ফিবাল চাই, করিঙখৈদা উথিবসু মাল্লি
নিংশিংবদি থোকুরে —
য়াদি ঙাংদে শংত্রিক য়েংলম্মী ঐবু নিঙমদা
ঙৈহাক লৈরগা ওল্লক্লে ঐগী ডাঃ কুহৌয়া,
ঐগী থম্মোয় শায় কাওই।।
মায়কৈ খুদিংগী চেনশিল্লকই য়াখলগী ঈচেল
থিংবা ঙমদনা—
চংশিল্লুই হবাউবগা অয়াবগা য়াচনা
হঙ্গোয়বা লৈতনা মহৌশাগুম অয়াবা কোকুনি য়্রমা
অংবু ভুট ওল্লবা মুক্তিগুম য়ানা
করিগী কিরিবা কবিগা ভুকারিবা।।

ঐবু য়েংনা য়েংনা করিগী তুং হন্জোক্লিবা
তপ্পা তপ্পা মরোল খোনজিন্দ্রবা মীওম
করিগী য়ারোবি কন্নাবদা ইশালদি মতৌনা.

ঐবুসু খঙহল্লুদনা মপুকা নিংদা চুংখা য়াহংশিং
খুমগে নওগী নপুক্লিং চন্নবা হৌখিবা পুন্সী,
মচিন পেন্না চৈকঙু হুংশি মৈচাক থুংনবা
হুংশি মায়থোঙনা মিচাকরিবে।
হেদক্লফই শোন্থহনবা পাম্মুরবা চিনবান্না
"অঙাওবীং অপোম্বা লৈথাং হৈকলুবগী
কাম্নবা করি? অশ্রাংপা লৈবাং শৈগাইফবগী
অপাম্বা লৈত্রবা লৈচোন্দা —
পুন্নমক মীনথীমং পন্থাংফম থউদ্রিবা থোংচত্তা।"
চংথ্রে অসুম মথুং হায়রমলগা তপ্পা তপ্পা
ঐবু তুংওইনম্মরলগা চিংয়ৎ য়াংদা।
রোয়েল জেল্মীনা অঙাওবীগুমদি থাম্নবই!
'ঐবু অঙাওবী! ঐবু অঙাওবী হায়রিবা
হা হা হা ....

মহুদি য়াম্না চুমথ্রবা বানিনা
নঙতনি অচুম্ব ওাংলিবা
ঐবু পুক্লিং হুথঙবনা মুক্লি থপ্লিগুম,
থোকলগদবা লাইপাউ পিবা ঙমা"।
করিনোনে নোংদমন্না কৈক্তি মতৌ শৌবগো

মাওজরে ঐদি নত্ত কাওরনা ঐঙু খাণ্ডরীজ্রবা
মিকুপ অমম্ভু পষ্ণনিংজ্রবা, ঐগী ব্রাকং তাখিনবা
থোনজেল থোক্লা কপ্লামাম্নে অমেংবা অহিংতুদা
চকচাং চেঁওহনা তৌদোক্ললঅী ইমানা ঐবু
নোংঙানখি মীং উইশিনবা য়াদনা কপনা কপনা।

—★—

লুহোংবা

বসন্তগী অয়ুক্তা হুংশিথোইবী চেক্লাদো
পুক্লি কোলগী খোইনিংদো তোংল্লরোয়দো অমুকহন্না
অশাগী অঙাংবা কুবাউ মপান্দা হরাউনা
পুক্ন, য়েন্নৌং হুন্নবা —
নোয়দাম থাজ য়াইফবা ওসি কোরৌদা
অকবা ব্রাংলেন পুংজাদা রোয়েল জেলা লুহোংগনি।
রোয়েল জেলা লুহোংগনি
কনাগা? মহুদি ঐ খুঙদে, তশেংনা খুঙদে
খুঙবস্থ পার্মদে, খুঙবগী কান্নবস্থ লৈতে ঐভোন্দা
এমী খুঙংবদি রোয়েল জেলীদনি খল্লীবস্থ মাগীনি
মাগী অফবা মঙ্গোলগীদমক অশির্ব্বাদ পীফম থোকই
মবুং অমা শক্লা, পুংচৈল চাউর্না, থম্মোয় ফানা

ইখুৎ নিকতা নাম্থবিগদবনি মকোকথক্ত্না
অশেংবা প্রেমী অমগী থম্মোয় চেকথায়ত্তুনা
মিৎস্না থম্বালদগী শিন্থরকপা অশাবা শিরাংবু
ওস্থোক্ত্না মবুং অমনা মচল অমবু কায়নবগী
মীনুংশি — মরমদি ?

তৌবিমল কাওফম থোক্কে মাগী
য়েরুবস্থু নত্তে ঐবু মাংনবা শিনবা পুন্সিদা;
তশেংনা নুংশিবনি ঐবু পুন্সিগী ওইনা পাম্মুনা
খুদম কয়ানা থাজহনগ্রবনি চিংনগদবা পুম্বা।
ঐনা মাবু চিংনবা, থাজদবা হায়বসে পাপনি
ইশানা য়াজৈ ঐ মাগী লমন তোাল্ল,
কাউফম থোক্কে, পুন্সিগী অশেংবত্তুগী
মাগীদমক ফত্তবা বাখল খল্লবদি ওইগনি ওমঙ্গোল
মাগী —।

ওসিদি ক্লাস লেপ্লগে, ঈশ্বরদা প্রথা'না তৌরগে
অফবা পুংফম অত্তুফাও পুন্সিগী লৈপুনগা মাগী
শকথঙদবা কনাগী ওক্তা পুনগদবা পুান্স লাপুন
ইথম্মোয়দগী হুক্তোক্ত্না শিন্নগ্রগদবা,
মানা ঐগী ওক্তা হুকচনিংবা কুপ্তো পবেংনি
লাংতকনরমগানি মাগী থম্মোয়দা হৌখিবা এগী পুন্সি,
লাক্কদবা মাগী পুন্সি চাংদম্নবদা,
পুকচেল ফনা চাউত্তুনস্থু নিংশিংলকস্থু ময়াদে

ঐগী পুন্সিবু লক্সরম্বা থৌদোকশিংদো —।
হৌখিবা পুন্সি মা—ঐগী;
হী অমতদা তোংমিন্নহুনা থরো থম্বাল চামিন্নবা,
নোংমম্তু শোকলুই লৈখোক্তা হেক্কে থম্না
অহুবু হেকঙমদে মীনোক চাউবা সমাজ কিবনা,
নোংমম্তু শাথপ তোয়রকথি লৈহী চুপকে থন্না
ঙমখিদে থংখিবনা চৎনবিগী পন্না ব্রাংনা
মতাংনা, ফিভমনা, পাঙ্গল থোকপা য়াদনা
অহবু, থোরক্লোনে ঙসিদি অচিকপসিদা উনবা.ইমিৎসিনা
নিংথিরবা ফিজেৎ লৈতেংহুনা লৈজবা পুম্বা
চীং পাৎ তুরেল ফজবা নঙগী।

প্রকৃতি লাইরেম্বীগুম—
করিগী শুমহুনা থমলিবা যৌবনগী নিংথীববু
চিংশিল্লকউনে ইনাকসিদা লৈহীনা লুমলবী লৈরাং,
কাঙগী খোঙথাংবু ঙমজনা কায়নরমদাইসিদা ·
ঙসিদি ঙাইরি নঙবু মৌ অনৌবী ওইগদৌবগী খৌরাংনা;
নঙগী তানৌ-তানৌবী খুদোপকী খুৎশাশিংবু ঙাইরি
ঐগী মেলোডি খুৎশাশিংনা তিংথোরকপা মুংশিত্রা—
তিকি খোৎহুনা অচিকপা কাহুদা শিথা শিথা নোকহনগে থম্বা
ঙমনমক অরানবা ওইগ্রে ব্রাখল।
লোৎপীররোয়দো নথাম্নুংদা থব্রায়গুম হন্দকমপোক্তা
থোরকলোনে খোমগংপিরগে চাইরবা শমলাং,

অরোইবা ওইনা পিরগেনে বীদায় পীওমদনা
নওগী স্বাতি ধর্ম্ম কায়দনা বরগা লোয়নননা,
নওগী নপাউ নুংশিবা তাররোয়দো কৈদৌনু
নীংশিংলুরম্নুকো ঐবু বাননবা পুন্সিদা
লেপ্লগেকো ব্রাহ্মচারী ওইদুনা ঐদি পুন্সি চপ্পা
শকথ্রবা রাশক থুংননবা নিপামচা ওইবগী
ওসি ঐনা শিন্থরিবা মিৎকী পি নওগীদমকনি.
কায়নবসু পম্নুংমি নুংশিবগী নও ঐদা নত্তেকা
পুন্নমক ঐনা লায়রবা মচা ওইবননিকো
কনাগী মরাল নত্তে—
খল্লরোই রাখল নুংশিবগী পুন্সি মরায় চাইথনবা,
তাইবওগী নুংঙাইরবা কুম্মৈসু য়াওনিংদ্রে
মপুগী নু ঙাইবা লীলাসু য়েংনিংদ্রে
ইন্দক মপোক অসিদা নত্তনা মপোক খুদিং
ওইজনিংদে ইপাঙ্গলদি লৈতনা,
কনথিনা মাংওইনবা মীশকসু;
নুংগুম কল্লগেকো থম্মোয়সে
পুন্সিগী শক্তম অমা শাগৎনবা
"হিংবগী মমল পুন্সি পোলোয়না লেপকদবনি,
ঐ শিবা য়াদে, ঐ হিংদবা য়াদে পোকলবনিনা"
মপোকসিমা মপুগী য়াথং ঙাক্লবা,
লুপ্রবী ইমাগী শেগাদা থুপতুনা মনিং থুংনবা হমাগী

থরুনজরি নুংশিবগী লাইরেম্বী ইমা !
ইরৈবাক্কী সেবা ওমহনবীযু পোকচমনগী
রোয়েল জেলীগী পুন্সি নুংঙাইহনবীয়ুকো,
ঐগী ব্রাশকসু কায়হনবীগনুকো পুন্সিগী
মমা মপানা লান্না খনবসু তৌহনবীগনু
নঙদি জগৎকী মমানি, কৎচরি প্রেম ভক্তি
নখুয়া থম্বাল শোক্না ইরায়বক তোল্লবনা।

—★—

পুন্সি শায়োন

নঙ্গে—
নুংশিবা অমা কায়দনবদা নীংবা তরা কায়দনবা
নীংবা অমা থংদ্রগা আশা পুম্বা নীংহন্নগদা,
লানফম অমা মায়থিরগা পুন্সি লানফম কয়া
খুৎলাই থাদোকদবা—
মায়থিবা হায়বসি মায় পাক্কবগী মৈরানি।
হৌখিবদি হৌগ্রসনু, তেংথারোল অমুক
থুগায়রমলবসু উফুল তানা থম্মোয়সে,
শেমখিনি অনৌবা বিশ্বাপ্রেম অমা
নীংবা কায়বগী উফুল মরিকশিংসিনা ঐগী
থম্মোয় থুদিং ঙালহন্নবা।

থৱায় কয়া কয়াগী মফমদা খুদোল ওইনা
অশিববু জয় তৌবা ওম্বা ডাক্তর,
মুংশিনবা কায়নবগীদমক শিবা হায়র্বসি
অপগুবা পাগুদবা মীচেম্নি ....।
মুংশিবগী চোয়রোল ওম্নমক অরেম্বা ওাক্তনি
ঐবু লাপনা থম্বীরমলে অকনবা নোংলৈনা,
লেপচহৌরে তাম্না তোর্ব্বান্দা
চেম্বামিম্নথ্রে মুংশি ঈচেলদি মাগা লমলানবত্থুগা
কপনা কপনা থম্মোয় ফানা ফানা মপোকসিদা,
মসিস্থু পুন্সি হিদেন অমনি ইতিহাসতা ঐগী
মসিদা নত্তে থেংনরকখিনি মথং মথং অৱাবা
শরু-শয়াং পুমতেক তেক্না নেংকদবা।
অত্থুবু—
ঐ খাংবা তাবনি পুম্নমক খাংবা তাবনি,
খাংননবা থারকপনি, কিদ্থুনা থৈবা নত্তে
কৌই খাংবা ওমবত্থুবু হেবো
পুন্সিগী লানফমদা,
লান য়াওদবা লাম্মীত্থু কৌদে,
মায়থিবা ফংলিবা ঐ লাম্মানি
মায়থিবা ফংলমলোয় লাম্মী নৎলমত্রবদি;
লানফমদা মায় পাক্না নত্রগা মায়থৌনা শিকা
লাম্মী অমগী মথৌনি।

লমজেল্লোয় ওয়া মনা ফংগদবা নপ্তে
মরাইবক ফবা থরদগীনি, মনাদি ঈশ্বরগী থৌজাক্লি।
পাঙ্গলনা লৌশিংনা শিংনরা য়াদে
লায়বক্কা তমরমত্রবদা পুন্নমক অরেক্সনি।
তম্বারম্বা পন্না কয়া পুম্নিগী থৌদোকশিংনা
শিংনরা তুংদা ফংহৌরে পাওজাকশিং;
য়ৈবদা ঈপোয়া অক্রুতাপকী হৃন্ন হৃন্ন পাওথরবা
থম্মোয় —
নাকেন থাদা কেন্নকপা চৈনাশিং অবাংবা চৈংলোলশিং
উনগী মৈজুপ —
ঐগী শরুক মঙাস ইথঙনি
খাংলি চৈনাশিং মঙমগী অয়াংবা চৈ নদা ভাশিংমুক্তা
চহি অমা মথায়গী লমশাং চেনথ্রে . থঙহৌদনা,
থিওরি, প্রাক্তিকেল, ইগ্রেট ইউনিয়ন নোংম নোংমা — —
নিংশিংলি চৈনা মরুক্‌ দা পরেং অমা তক্কনা
'লাইর মচা লেয়া মাংবে; ম্যারগদি হিংগদে'
অরাবা মরক্তা থিবকলকপা আশাগী মঙোল্স
নোকপজা তোংচৈ লাহেকপী মচা লোকউ।
অহবু —
নোকপা হৈবগী মনামা? ঈশ্বরগী কুপারা?
থাংবা কমকলরা? ইমাগী মঙলনা?
এম, বি, বি, এস পাস্নিশ্বা। খাইদগী নকোক;

ইথৌদা এডিক ওইবে থোক্লিংত্রে ইরনদম নু শিবা·
সর্জিকেল লাইন্দা পিরিয়েলিস ওইমি লে
'মথা তমথজরগে ইথা' হায়জরে হঞ্জন,' হঞ্জন
চিঠী মশিং য়াম্লে য়াবিরে 'থমৈথংদা লাইরবী ইমাদো
নুপ্রাবী লাইবক চাওবিদো, মীমায়জত্রবখিদো,
মীনাই ওইরবসু মিংবা খুমবা মচাগী নিঙায়
থরায় মায়বসু থারগে থজক পাম্মুদনা।
ঐ য়াদে মীরায়বা ইমাবু কিজে পাপ ধর্ম্মা য়াওদবী
উবে ইমিঙা শংশংনা 'থেংনমমগদবশিং ইমাদা
মীঙোন্দা হায়জবগী ভ্যেলু, মতমগী ভ্যেলু, শেনগী ভ্যেলু
শঙ লৈজদবগী ভ্যেলু, ভ্যেলুগী ভ্যেলু মকা ....
পোক্লাথা য়াদে পিক্লবা কোক ঐগী, ঐগী পিক্লবা কোক !

শোম্বা য়াদে, শোম্বা য়াদে থশোয়, শোম্বা য়াদে
জেনেরেলনি ঐ থৌনা ফরবা লাম্লীশিংগী,
য়াম্মী শোক্লদবা 'লানফম মথং মথং ....
শিজিবা কাওবা শিরগা লোয়গদবা;
নিংহন্নগনু হায়নগলু' বাংলা আশাগী কিরাগ
থৌজিন্ন বিজ্ঞানগী ফুরক্কেত্রদা অশিবশিংবু কন্নবা
নোংথাংগুম অরংবা থাংহাই কয়াদা বিশ্বপ্রেমগী-
থশোয় থশোয়দ মুদম শানমম থমমরগী।
পিক্লবা পাম্বোমসি য়োলকি কোজা কম্ফুঙনি
শিংহনরবনু মোবোক্তবী ভুকচাংমী ইচং·

বাস্থহনা তারবম্হ লানফমদা কয়ারক
রারোরোই ইকাইবকীনি থয়া,
লানবু নুঙাইবম্হ নঙনা ঐনী ফুরিংথিংপনি
অচাকপা নৈজাদ্দা নেংতুনা রুংপা শিববু মঙঙম থনবা
লানফম খুদিং লানজং খুদিংগী থৌনানা—;
ইং কুমজা খুদিং মহৈরোয় ঐগী
অংঙোবা চেবাং-মথক্তা ইমিং, ইমিংগী মথাদা
ফার্স্ট পোজিসন, গোল্ড মেডালিষ্ট...
মী খুদিংগী মমিত্তা, মনাকোংদা হঙন হঙন হন্দুনা
ডা. রুহীয়া ! ডাঃ রুহীয়া ! ডাঃ রুহীয়া।
তশেংবদি মসি নত্তে ঐতগী পাঙলগী মনা,
ইমাগী মায়খোংদা কাথিবা হুমাং মরিক ইকায়বগী,
শক্তিগী থাংমদা নৈহৎপিরবা ইচিল ইনাওশিং
ইছুৎ শিন্না চহি কয়াহূদা —।
তোমথিল তোমথিল লঙ্শিল্লকথিবা চিরবা তাঙ্গাদা
রোয়েল জেলিগী স্না মতুমশিং, শারবা ঈংশিংগা
তোক্তনা লৈঙোরমথক্তা শাথিবা মরুতুমিগী গোলমেডালিষ্ট !
মসিদা নত্তে অরোয়বা
শেম শাথিনি মুথংগী লাঙ্গং আশাগী ময়াই কাহন্দুনা
থৌনাগী. মনোরমা ময়োলোংশিং মিৎনা উদবা লাপ্নীশিং
য়েরুবা (মহিরু) লেংনবা থম্থোয়গা লেব্রোরেটরীদা।
হে ইমা লক্ষমী! ইমা স্বর্গে লাইবরী !

নত্ত শিবা য়াত্রিঃ, নত্ত শিবা য়াত্রি
নত্ত করিগুম্বা শিরবা, শিরবনি নচাও মিকুপতুদ লানথমহ্‌দা
শিবা য়াদেকৌ ইদা নত্ত মচাগীদমক,
মক্তবা-মাত্রিবা কাওবা তুমদবা মতলামনি ।।

—ন—

খুৎ-থোকনবা

হায়নরিবনি য়ুম্যাল অনৌবা পুন্সি
থম্মোয়দা নত্তনা লু-তোং ইনৌ ইপাল লাং,
রাখল শাইনো লক্তুদা মুংশি চিরোনগী নাচোম
কয়াদা কল্লকনিঙাই লুহোংলবা মতুংগী শাবান অনৌবী
অউবনা ইকায়, মুংশি নাক্তগী হেন্নরদ।
পাম্ম নাক্তগী শেংনদা থম্মোয় থম্মোয় মিচাম্মিনা,
অমতনি আনিনা অমুগা বা অমনা লুনা থন
মুম্মায়বা ত্মাংকায় প্রাস খুনজাওনবা-লৈচাওনবা
তাইবত্ত মপুগা লীলা জিবশিংগী থৌান।
রাকচিং থানি, উমা কবোক কোবগুম্মা,
চিংথৈ কিকক হাংলক গোবিন্দগা শরীক
অনকগা অরাম্মা তানা হৌদোক্তাল লৈবারাশং।
খুত্তা য়েন্দায় পায়ু মৌনহী অমী ইকহুমা
মপুং কানা কুপাম্লা শাংকাম্নরবা লৈরাংশং

খোইমুনা অহি চুপ্পা য়াইরেকপ্রবা লৈরিকলক্তা নৈহুনা
চেকলি অইং-অশা খিদ সূর্য্যদেব পুজাগী
মবুঙো মঙ্গল ওইনবা কৎলি ধুপ, লৈ ঈশিং
মহৌশাগুম বৃন্দাদেবী মখোঙদা থুরু থুদক কুন্দুনা
সুমিৎনা তরং তরং হুন্দোরকপদা —
থোরক্লে পুলিসকী ফিজেৎ শেৎপা নিপাদো
থৱালমিচাক থোকপা মরেঙদা অশোক্না চক্রদা তোংবা
খ্যাংদা অ'তেনবা থুলাই য়েপ্পা চিংলেম্বদো
সুামৎ-থা থোকমিন্নবগুম, নিংথিনা হায়রকই।
"করি কার লৈরকউগে? চানিংবা শের্থনিংবা
'তপ্প্রদনা নোংমতস্থু'
থুনলকই মনাইমুবীহুনা য়েংঙমদনা 'য়ারনি'
—'ওস্থোক্না নহা মানখিত্রেদা, ইতপ্তা তপ,
পঙগুদা গু হমুবাদোনা। লৈত্রা ননিং থুংদবা
—'ইনিং থুংদবস্থু লৈজদে বার্জা ইমা লৈবনি, ইকায়দনাম্নে।
—'অহুদি চৎলগে সে অনুক্ত্রদ য়েংলকউদনা, নোম্থমন্দুনা
সুংঙাইতে য়েংবা'
মোনোন নোক্লহুনা য়েৎলকই নিংথিবী মায়থোঙনা
অরাম্বা থম্মোয় কোক্লবগী মশাবী
'য়ারে, য়ারে' অম্মুমা কেনজরিঙৈ, অনি।
মপান্দগী কন্সটেবল অমনা ভাঙ্গা খওদনা
মখোঙ খিন্দুনা সলাম তৌই অহুগা হায়

--'সার গাড়ী য়ৌজরকলে' (এস পি, খণ্ড প্রক খণ্ডই)
—লোয়রে, লোয়বে থোরক্নে, গাড়াদা নৈবম্মো।
মনাইনুবীদা ওনশিন্দুনা মখা তাবকই
'কলেজ ক্লাস লোয়বগা হল্ল,' বৃন্দা দেবী থৰুমজরে
খোঙকাপ মরি মঙা থোকলুরে অহৃগা
'ইহে! অকবা ফাইল অমা টেবলদা অক্রো'
নুপীহুনা পুথোক্লনা পীবে, রাখলদি চিংনবা অমা
থোকলুবগা হল্লনবা নুতিগী মান্নদবা কবি থোক্লবা'।
ইন্দো-বান'। রোডকী খোঙচর্ৎনি
ইম্ফাল এস পিগী খুৎপুনি গাড়ী ৮নি
ঙবাং কোম্হোং লাইবেম্বী মনাক্তা মীশি-মীনা থোৰপা
নুপী ৭ নুপা ১৯ যুম কুনমঙা তুনা চাকথিবা
নোংঙাল্লকপা অসিদনা মী চাম্মগী লালহৌবা খুৎপু অমা
ওলিব গ্রিনগী কোমবেদ প্রেস শেৎপা চাংমী লালহৌবা
শক্তি লৈবা খুলায় পাযবা লুচিংবা নহা অমনা
তাউথরকই অহকপা য়াথং নখাথোংবশিংনা পাঙথোক্লবা
তপ অহুম থোক্নদবনি নখোয় ঙম্মা তাউ,
—অহানবা তপনা ঈম্ফাললোমগী লংকপা চাংঙোলদা
তু আদগী গোলাইসি উরেদনা।
খুম্মী ময়াম 'সার উজরে'
—'অনিঙবা তপনা মথংগী গোলাইসিদা, উরেদনা আদগীসি
—সার উজরে 'ময়াম্মা খুম্মী'।

—অহুমগুবা ত্রুপনা ! অনিগুবগী মথংগী গোলাইদা,
ত্রুপ অহ্মসি থা নচেং শানা এটেক তৌগদবা'
'খঙলেদনা ময়ান ওমনমক'
—সাব খওজবে ! পুন্না পুন্মী
—ফিবাল অনা পায়গদবা অহানবা ত্রুপনা,
নখোয়গী মপা হেক লানশিন্নকপদা হায়গদবা খঙনবা
সবকারগী গাড়ী হেক শুনা চওবদা
ফিবাল হাইরকনি অহানবা ত্রুপনা অমুক
খুদক্কা বিমোট কন্ট্রোল বোমশিং শিজিন্নবা লোয়ননা
এঙ্গল অহুন্না পুন্না এটেক তৌগনি
পুংখায় অমগী মনুংদা থবক লোয়গদবা
ভাব তারেকো ময়াম ?
—'সাব তাজরে' খুন্মা পুন্না।
—থবক লোয়রগা ঊচালগী ঊমও শন্না
কনাগুম্বনা অমাংনগ্রবম্ন বেম্প তম্না. য়াঁরেকো ?
—'সাব য়াজরে' ময়াম খুন্মী।
সেটশিং নিংথিনা শিজিন্নৌ
আর, এস, দন্নাও নও সেট শিজিন্নবা চেকশিন্দে
লুচিংবহুনা মনাকোংদা সেট অহু খওথাং থায়্রিন্নি
হায়রকই অহুগা 'হলো হলো ফুন্নি'
সেট থম্মী লাম্যাশিংদা মমিং শংদোক্কনা
টেক কিয়ার, থৌবাল কাওবা এস, পি; ঈম্ফাল

'গাড়ী নিপান ঐখোয়গী পাউমীদগী—পোজিসন
থুংলাই ফিট— ঐ মফমসিদা গার্ড অহন্নগা
মাগী মাগী শেম শান্নথ্রে সেটকা সেটকা ঈ-পাউ
চংথরে সরকারগী গাড়ীশিং থা মচেংস্তুদা
হাইরক্লে ফিরাল অঙাংবা হন্না হন্না খঙনবা
পোথান্নরক্লে রিমোট কন্ট্রোল বোমশিং মথঙ-মথঙ
কাপশিল্লকই নোংমৈশিং মায়কৈ অহন্নদগী
হান্নথগ্রে গাড়ী অমদি লোকখাদা লুথ্রবা শোংগ্রবা
সরকারগী ব্রেক্ক ফয়ার মখোল, লালহৌবগী নোংমৈ মংখাল
চীংদোলহু চক্ক্ষু মমুংদা কবোক পোকপগুম্মী
উমঙগী শা-উচেক চেন্নখ্রে মথাদগী মচা হন্দোক্কনা
অরাবনি উপায় লৈত্রবা গাড়ীশিং চাংমায়হুদা
ফক্লাংদা থেৎপা টারগেৎকী বুলগুমলে
ফত্রৎ-ফত্রৎ নোংলৈগুম ফুজিল্লকপা মরূশিংমা
অশোক-অপন, মৌশি মীনা মীকুপ থরহুদা
য়েংহৈদে, য়েংহৈদে অহুক তমথিবা থোদোক
হিংহৌবা পুলিসশিংহুনা মেসেজ অনকপা আর্মী পোষ্টা
লোকখাদা হাইথখিবা গাড়ীহুমদি কমদৌরি
থরদি চোংথহৌরে থরদি মফম খঙদ্রি
এস, পি.গা লোয়ননা চোংথহৌরে কন্সটেবল মরী
পোজিসন লৌ-লৌহুনা হাইগৎলকই চীংমাইহুদা
উরে অনকপদা লালহৌবগী লুচিংবা
মন্ত্রী অহন্নগা য়েংজি বাইনিকুলর মথরায় রানা

এস, পিঃ [illegible] [illegible] পালে এম তোমবা অঙমম

থুকাপ অমুক্তদা থপাচিনবা—।

য়েক্কবা, লাকনি থাওইব্রবা মীনহৌবগী লুচিংবহ

নেশা অমদা তাউরি খথোয়না মায় পাকলে

খঙহৌদনা [illegible]।

মরিদো অমতা শোকবা য়াউত্রে অহ্নমদি শিরে

লুচিংবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]-কাদা [illegible] [illegible],

এস, [illegible] [illegible] [illegible] 'ইবু নরজেন্দ্র'।

শিরমদাই [illegible] [illegible] [illegible]

খঙহৌদনা, এস. পি. [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

হায়থনে [illegible], [illegible] পানবদা [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] খেংনজ্রাইদবা [illegible].

কনবদি [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible]

লানহৌবশিংবা, [illegible], [illegible], [illegible] [illegible] য়াবশিং,

পাড়ী অনিবা-টৈ [illegible], [illegible] [illegible] কাপ [illegible];

অশোমবনা পাউ [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] শিং

মথং মথং, [illegible] [illegible], [illegible], [illegible]।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

অশোকপশিংদঃ [illegible] [illegible] মাশি মাশী

[illegible] [illegible] [illegible] সংস্কার তৌরে,

হৌদিং [illegible] [illegible]—

[illegible] চাউবা [illegible] [illegible] [illegible] রোয়েল জৈলিদো

লুপ্তাশিংদা চুমহৌরে 'ইনখৎলকইবা মুজাদ্দ কুমজিন্দা
কল্লকইদে ! কল্লকইদে !

ডিগ্রী ফংখবগী নুঙাইবা

ডিগ্রী 'ফংলিবা ডাক্তরশিংনা মাখোয়গী মপান্দা 'ঐবু
লুহুপ অমা ইকৌকখিংদা। এক্টিং জেনেরেল সেক্রেটরী,
নখো মতম্ব 'নেপ, মীয়ামগী সেবাদা হায়রবা
ওইবা থাংলি লাকচা শাক্তা মেডিকেল মোহোন
নোংমা থেমলেন থিট 'কনখল 'কর্থদা প্রিন্সিপালগী
মিংথোল জ্যাক ডাঃ 'মইরা' হায়রবা পুর্বিক হয়াঙকা
নিনি মুরাকী নখাওনা হোনজ পুর্ণারল পোত্রাক....
ঈশৈ আমা খুদোক ওইরা শকতাংদি নমচুনা
হিন্দী নিকনদি থোক্তইকোয়া পায়রকখি ; ঐগী
নিংগৌনদে 'মাম মাওনবীদা' হুংবাদ
শক খঙকিয়ে অনৌবা তানানর্দু মাতপিনম্ব,
লোয়শিংকিদনা চে-তাং, লৈরিকশিংগী কাগসমতজী
ঈনিং কাইরে বাতাং মুরপা কাইতকি চিঙিনবা ;
মুমিদাং পুং অরেগী বাররোল্কওল্ল গাড়িদা মুংনা লক্লিগী
'নন ভিজিটর দে' আউট, চুকিনি লৈকানবা থেংনি,
লোয়শিংকলে চিংদি হয়রবে হাত্তা লমরাচু মুরফুদরা

পারীক্ষা অরোইবহ্ন শীরিমলগা হায়দোক্তিবৈ
ঐদি ডাইরি পারিক্ষাগী রিজল্ত থণ্ডলগা হন্নবা
গুনা-গুনা কাইল স্টুদেন্ট ইউনিয়ননা,
মথংগী ইনচাজদা শিন্নরম্লবা কুইন্নবা মতমদা।
নোংমগী মুমিৎনি নিংথিরবা অয়ুকী মশেক্তা
য়েংলি মচু মচুগী নিংথিরবা কম্পাউন্দগী নৈরাংশিং
মথল মথল গমলাথকী লৈমায়থকা;
ডায়রি অপোম্বনা শাংপা অশাংপনা কেনবা
মিৎতা অইংবা পিবদা নত্তনা পুক্লিংদম্মু ঈংই।
হাপলি অহিং চুপ্পা প্োথারুরবা ত্রেন্দা অনৌবা পাঙ্গল
তপনা কুমথরে কমপ্লেকসতা থারিবা গাডেন চিন্নারদা
নাকল্দগী চণ্ডলক্লুনা কোফি কপ অমা থনম্মী চারুরনা,
তপর্না তপনা চিংই থন্না থন্না নোংমগী থৌ প্লক্লে।
মরক্তুদা লাওরকই গেত্তগী লোকেল পেপর; লোকেল পেপর
গেতগী অহোবদা ইনশিন্নকুই হোকরহুনা মথং চৎনবা
চৎলগা লোক্লই অমুক কুমথরে য়েংই [illegible]শিংদা
থম্মোয়দা দিং থাওই [illegible] অমত্ত
"মেডিকেল [illegible] [illegible] [illegible] আউট,
সার ড্রা. কুইনা (কলিম্মী [illegible] [illegible] [illegible]
কিবটি থাউজন্দ [illegible] [illegible]"
মগুগুহনি থাজরুদবা [illegible]
থওনবা ক্লিন্নওদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

থুরুমদৈ [illegible] মপুরু থুপ [illegible] [illegible] [illegible]
উবদি [illegible] . নুনাইরু [illegible] [illegible] [illegible] ।
মরেরকদে ইত্তি [illegible] [illegible] [illegible] নীংশিংনাঃ.
অণাবা , গ্রিনা চেম্বরে . খুজায় . মুনিদা , [illegible]
নমথাগাদুনা য়ায়রোংবা. কুপলিরো [illegible]
ঈথৈ গ্রিহনা নাতোনবী ঈশিংসু. ইমা [illegible] নীংশিংনা
তেংথারে পেমা মথোলাদি থোক্কনা [illegible]
থেমজি মতমবা মচুং চংনবা, চায়ুথনবা শেংচুরো;
তৈহাক তৈরেগা মথক মথক মরূপ , মুপাং . মুয়ামে
"Congratulation to Sir Dr. Ruhiva.
Congratulation to Sir Dr. Ruhiva
[illegible] পুমনাং নাথং, হেন-লেক, হেন-লেক"
খুজেং অসি চোকুই মরাযহনা নিকপদা কয়া পায়রুনা,
[illegible] পাণ্ডি অর্থী মথংদা অমা, মথক মথক........
[illegible] [illegible] য়াওই নথোয়না কোবক য়াওই।
[illegible] মরুপদা অতোপ্পা থোজেম অমা
মবনদুনা [illegible] থোকপদা [illegible] থোনো।'
মেংনৈ থোক্কনী [illegible] [illegible] ?
"[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হাংবা
[illegible] পিতর মকোয় [illegible]
[illegible] কোয়না অহল [illegible],
[illegible] [illegible] কৌরনী [illegible] [illegible]

এস, পি, হুনা হুকুক পাবে এম তৌনবা অমমম
খুকাপ অনুক্তদা খপচিন্নবা—।
েক্রবা, নাক্রনি থাওইদ্রবা লালহৌবগী লুচিংবহ্
নেশা অমদা তাউবি মখোয়না মায় পাকলে
খঙহৌদনা নাবোন্দগী খপলকপদা হায়থরে
মবিদো অমতা শোক্তবা য়াউদ্রে অহ্‌ুমদি শিবে
লুচিংবা অংুদি শিবমদ্রি চৈনাস্ন মপুং ফানা ফাওদ্রি
এস. পি, না খোঙপাক্সা কাওই 'ইয়ু ননসেন্স'।
শিবমদাই মিকুপ্তুদা কাপথোবকই লালহৌবহনা
খঙহৌদনা এস, পি, গী থবাক্তুদা মক অঁমা—
হায়থগ্রে অথোবদো লৈমায়দা পানবগা তমথীনা
থাওখবে মনাই মরিনা মী থে নবোইদবা অশোংবদা
কনবদি ঙমদ্রে মনাইশিংনা সল্লাম্মী ওকথ্রে মফমহুদা
লালহৌবশিংনা খুৎলাই, মরু, সেট লোবা য়াবশিং,
গাড়ী অনিনা নৈ থাবমলে, হনথ্রে অহুগা কাপ কাপ্তুনা;
অশোমদনা পাউ হেক ফংবগা অহেনবা ফোর্সশিং
মথং মথং থুংলবে হিংহৌবা লাগ্মীস্ন থোবকলে
লালহৌবশিংদি উনা উনা তামথ্রে উচান মরকতুদা
অশোকপশিংনা হোসপিটালদা অশিবশিংনা মাগী মাগী
সরকারগী হৌন্‌বী মতুংইন্না সংস্কার তৌথ্রে,
হৌনবী মতুংইন্না সরকারগা—
লাইবক চাউবী মনায় সুবাদো, থায়নগী রোয়েল জেলিদো।

লুখ্রাশিংদা চলহৌরে ইনখৎলকইব। যুম্বাল কুমজিন্দা কল্লকইদে ! কল্লকইদে !

—★—

ডিগ্রী ফংবগী নুঙায়বা

ডিগ্রী তম্লিবা ডাক্তরশিংনা থাজবগী মপান্না ঐবু
লুহুপ অমা ইকোকসিদা এক্তিং জেনেরেল সেক্রেটরী,
নম্বো মচাস্থ য়েপ, মীয়ামগী সেবানি হায়না
ঙম্নবা থাংলি বাদবা শানা মোমোন মোমোনঃ
নোংমা ফ্রেসেস মিট ফঙ্কসন অমদা প্রিন্সিপালনা
মিংথোল 'সার ডাঃ রুহীয়া' হায়না পীবিরে হরাওনা
নিল্লি খুবাক্কী মখোলনা হোলত্থ পুর্মানিল পে।ড্রোক......
ঈশৈ অমা খুদোল ওইনা শকহনখি নমত্থনা
হিন্দী ফিলমনি থোইদোক্লা পামজবনি ঐগী;
নিংগৌনরে 'সার ডাঃ রুহীয়া' তুংদাদ
শক খঙনিংবা অনৌবা চংলকপা ছাত্রশিংনা,
লোয়শিনবিনবা চে-চাং, অরিবশিংনা কায়নরমদায়গী
ষ্টদি ফংদ্রে য়াম্না কুংখ্রে কাটরসি ভিজিটরনা
মুমিদাং পুং তরেত্তগী বাবোফাও পারি কুন্দুনা মুতিগী
'নন ভিজিটর দে' আউট, ছুটিদি থোঙ্গালদা থেৎলি
লোয়শিল্লকলে চহি, হুন্নথ্ররে ছাত্র অয়াম্বা মরমদমদা

পারীক্ষা অরোইবহ্ন পীরমলগা হায়দোক্তিত্রৈঙে
ঐদি ঙাইরি পারিক্ষাগী রিজলত খঙলগা হন্নবা
শুনা-শুনা ফাইল ষ্টুদেণ্ট ইউনিয়নগী,
মথংগী ইনচার্জদা শিন্নরম্নবা কুইত্রবা মত্‌মদা।
নোংমগী মুমিৎনি নিংথিরবা অয়ুক্কী মশেক্তা,
য়েংলি মচু মচুগী নিংথিরবা কম্পাউনগী লৈরাংশিং।
মখল মখল গমলাথক্কী লৈমায়থক্তা;
ঙায়রি অপোম্বনা শাৎপা অশাৎপনা কেনবা
মিৎতা অইংবা পিবদা নত্তনা পুক্নিংদসু ঈংই।
হাপলি অহিং চুপ্পা পোথারুরবা ব্রেন্দা অনৌবা পাঙ্গল
তপনা ফমথরে কমপ্লেকসতা থারিবা গার্ডেন চিয়ারদা
নাকন্দগী চঙলক্কুনা কোফি কপ অমা থনম্মী চারলনা,
তপনা তপনা চিংই খন্না খন্না নোংমগী থৌ পরেং।
মরক্কুদা, লাওরকই গেত্তগী 'লোকেল পেপর; লোকেল পেপর'
গেতগী অহোবদা ইনশিল্লকই হোকরহুনা মথং চৎন্নবা,
চৎলগা লৌরুই অমুক ফমথরে য়েংই হেডিংশিংহু,
থম্মোয়দা দিং লাওই হেদিং অমদি
"মেডিকেল ডিগ্রী এমজাম রিজলট আউট
সার ডা. রুহীয়া (মনিপুরী) গোলড মেডালিষ্ট
ফিবটি থাউজন্দ কেস এৱাড'।"
মঙগুম্বনি থাজরুদবা ঐঙোন্দদি
থঙনবা মিকুপ্তদি অহুবু খম্থরকখি ঈশ্বরগী থৌজালনি

খুরুমজে তাইষঙ মপুবু ধুপ কত্না পিবোয়ননা থব্রায়সিনা
উবদি উবিবিরোয় ননাইবু, কপ্লকলে থব্রায় মু'শিনা
নহেরকলে ইন্দ্রি ফুরুা হৌখিবা অব্রাবাশিং নাংশিংনা;
অশাবা পিনা চেম্ববে খজায় অনিদা ঈচাউগুম
নমথায়ত্নুা মায়থোংদা ফুপলিবা ফিত্নু
ঈথৈ পিত্নুনা নাতোনগী ঈশিংস্নু, ইমা বাজী মীংশিংনা
তেংথাবে পেন্না মখোলদি থোক্লনা থম্মোয়না।
থেমলি মতম্মনা মনুং চংনবা, চায়থনবা শেংচল্লবা;
ঙৈহাক কৈরেগা মথঙ মথঙ মকুপ মপাং ময়াম
"Congratulation to Sir Dr. Ruhiya.
Congratulation to Sir Dr. Ruhiya"
কাটরত্নু পুমলাং লাংই, 'হেন-সেক, হেন-সেক'
খুজেং অদি চোকই ময়ামত্নুা নকপদা কন্না পায়ত্নুা,
টি পার্টি অমগী মথংদা অমা, মথঙ মথঙ.......
ঐনা কৌবস্নু য়াওই নখোয়না কৌবস্নু য়াওই।
চরাংনরিঙৈ মরক্তদা অতোপ্পা খোঞ্জেন অমা
নমলত্নুা লাউরকই থোঙ্গালদা 'দরবাজ খোলো।'
য়েংনৈ খোঞ্জেলগী মায়কৈ কদোমদনো?
'থোঙ্গালদনি! থোঙ্গালদা!' হায়নৈ ময়াম,
চংলি ঐনা য়ুমবু হায়বত্নু কৌবানিনা গেট হাংনবা
মশম, পিশুম মকোয় অমুবা য়াওদ্রবা,
মখাং কোল্লবা অহল পঞ্জাবী অনা
কুমথরকই মারুতি কারদগী ড্রাইভরনা শমত্নুা

ফমহল্লে নহা মরক্তুদা ঐনা সেবা চংতুনা
হংই ঐনা বাজী, তাকপিসি নচাদা করি?
মপি ইরা চেন্না ঐবু মুন্না য়েংলগা অহলহুনা
মখোল নিক্লা হায়্যরকই—
'সার ডাঃ রুহিয়া উন্নগে'
ইশাদা খুংনা থিনজহুনা তাকই
—'ঐ ইশানি বাজি, তাকপিসি করি মতাং'
মরক থংনা চা পুশিল্লকই চান্নালানা অহলহুগী
—ঙসি খবর কাগজ পাবদা নহাক্লা গোল....
—'অহোয় বাজা ঈশ্বরগী থৌজালদগী'
—'Congratulation! অদো নঙ ঐ খঙব্রা?'
—নীংশিংবা থোক্তরে বাজি ঐ
—ঐগী মিং জেলশিং পঞ্জাবী মারুবারী
ঐগী দুকান ইম্ফালদা লৈ মখোল মঙানি
কা মশিং ৪০নি পুন্না মথক্তা হোল অমা
কনা লৈত্রে ঐগী, ইচা পোক্তে, মপোক ফত্রে
দান পাম্মী মথঙমপোক ফনবা
মতিক চাবা মীদা দুকানসি ঈশ্বরগী সিংদা দান
ইচানা ইপাগী লনসি ফংজরো অহ, অহ, ...
ঐ ড্রাইভর চঙহুনা লোক খুবহু শেল্লমী
—ময়াম্না 'য়াম্না ফবা বাসি বাজী ... ... খুদী'
—লাইবক ফবনি নচাগী, ঐসু

মখা তানা হায়রকই অমুকগু শ্বব ফাথরগা
—'শেল ওইনা লু: লাক ৫০ {য়াঙখৈ} বেঙ্ক ড্রাফ
তাং ২।২।১৯৮০ দা উকিল অমগা কয়ার ইন্নবা
উন্নশি ইস্ফালদা সিদা লৈরে ঐগী কার্ড থিক্ননা
টেলিপাতি দা হংবদা পুন্নমক্না খঙগনি।'
—বাজিগী অপাম্বা ঐ করি তৌজনি
—করি পাম্মী ইচাগীদি তম্ম্ ইপাদা
—নচাগীদি ইহৈগস্ু চান্নবা মীয়ামগীস্ু কব।
ঐগী মততি 'Jain Sing Memorial Clinic'
থুবাক থুই ময়াম, মুরুম মুরুন 'য়াম্না ফৈ.... ....
মতুমক ইপা ঐগীস্ু অপাম্বনি, পেল্লে,
মতুনা পুন্সি কয়া কনগনি খল্লি, সমাজ সংস্কারনি
নিংবা থুংলনি ঐগী, পুকচেল চাউগদবনিকো।
কুইনা পুন্সিনি থাজদ্রে 'চহি ৮৫ শুরবনি ইপাদি
—বাজি কনাগা লৈমিন্নরিঃ হৌজিক হৌজক?
—নমাগা ঐগাদদি 'কনাস্ু লৈত্রে'
—নচা সেবা ফংজরগে, পাবুংনা কোনবায়ু
—মতু য়াবনি অতুবু ঐগী অহন্না থম্বারম্বা
ইচিন ইনাও অহল-লমনশিংগী সমাধিদা
নমাগীস্ু ঐগীস্ু পুন্সিগী অরোয়বা ওইনিংবা
ইরৈবাক্তা অরোয়বা
পুন্নমক বাজীগী অপাম্বদা নচানা পেম্নবা
ঈশ্বরনা চানবীবা ওইসনু

—ময়াম্না 'ঈশ্বর থুরুনসি বাজী... ...
থা খবগী মমাংদা কাশিংছ্ Vacate তৌগ্রে Repairing তৌবে
—অত্তদি ঐ য়োরগে মুমিত্তু কাউগনু
—লেপনমক নচা য়োজয়কনবা তোংনজগে
লেঙবিরসি
ময়ামস্থু হৌগংলি থিন্দোকমিন্নরে থোঙ্গালফাও
—ঐ চৎলে হায়রম্নগা থৌখরে মখুৎ হায়না হায়না
হান্নগুম মরুপশিং পুমলাং লাঙই ঐবু কোন্দুনা থাঙ্গংলি
"Double Congratulation to you ... ..."
ইখুৎ অনিসি মথক্তা থাঙ্গত্তুনা নামা নামা মখোয়না
"Happy Birth Day to you .. ..."
ঙৈহাক্তি পুমলাং লাংই, পুমচায় চায়রি লৈমায়ত্থ চেগী কপ
প্লেটনা কান্নরে মাগী মাগী থবক লৈবনা, ঐস্থু টেলিগ্রাম
অফিস্তা পাউগী চৎনবা ...
মুমিত্তু পুন্সিগী যোইদোকপা ইতিহাসকী লামায় অমনি।

—★—

থম্মোয়গী তেংথাখোন

নুমিৎ মরিনি মঙানিগী মনুংদা
থুংলরে ওম্না হান্নগী ছাত্রশিং
মাগী মাগী মরি লৈনবা চে-চাংশিং তাম্থোকনরে

মরমদমশিংদা শিজিন্নবা ঐদীসু সুনা পায়বে
ওয়াংদি Fare-wel Programme পাঙথোকখ্রে হোৎদা
ইন-চারজসু শিন্নখ্রে মথঙ চহিদা পুগদবশিং
অমুক হন্না থেংননি থেঙনখোয় খঙদবনা.
থম্মোয় থম্মোয়দা খাঙবা ঙমনদে
কপনদবা য়াওনখিদে ওঝা ছাত্রা
খোয়খা লিনখা থান্নদনা কপনা কপনা কায়নরনদায়
বিদায় পিনবা মক্তনি. ওঝাশিংগী বরপা
হরাউবগী মবক্তা কপ্পদি মসিসু অমনি
মরক্তদা—
বেডিং. সুইটকেস তয়ার্রা কা কাশিংদু
পুক্লিং ইনৌ-নৌ মিত্তগী ইরা চেল মায়থোংশিংদা
মথুং হাইনৈ অনগা অনগা থোক্লখি থোক্কালদা
মথঙ মথঙ টেক্সী টেক্সী কৌনা কৌনা
ঙসিদি চহি কয়া উখিদ্রবা ইরম্মম উজরনি
থেংনখিদ্রবা মরুপশিং থেংনরনি।
মতম শাংনা বাজরক্রবা ইমুংগা মীশিং
নোকমিন্ননা চামিন-থকমিন্নবনিদো
ঙসিদি অরাবগী মতন লৌয়খ্রবা জেলগী বন্দীগুম
O.K. গী প্লেন টিকেট পায়রে
Air Feild দা চৎলে, চেক ভতোয়রে
ডাইরেক্ট ইম্ফাল ক্লৌথদি পুংআ থরগী মতুংদা

তপনা তপনা পায়খৎলে ঙায়োয় মানখা বোইংদো
অশংবা অভিয়াদা মনিং তম্না শায়বা চেক্লাগুম
অরুবা ঈশিংদা ঙাতোন্না চেনবগুম
লৈচিন নোংফাই থাংত্রবা অতিয়াদা
যাংনা পাইবা অত্থবু কয়াদা তপথবা ঐঙোন্দা
য়ৌনিংবনা পরপ পরপ চিংশিল্লি ঙমখৈ ভাবনা
নাংশিংলকই--
ঙরাং ঐনা লৈরকখিবা ইমাগী সাল, ইচনগী সারি
ইনাওগী ফুরিৎ খোঙগ্রাউ, খোঙউপ, ঘড়ী
মখোয়না হরাউগদবদো পেনগনি উরগা ঐনা
নোংমতন্থু চৈরোয় মখোয়না হায়বদা ইনগনি
মখোয়ন্থু হরাউগনি নিপাথোকপা মিংচৎকী থবকসিদা
থন্না থন্না উরক্নে মনিপুর ঙমখৈ
চীংশাং পরেং পরেং মচু মচুগী
চাং অশংবা, চীং অঙাংবা, চীং হিগোক মচুগী
মীয়াম্না ব্রহ্মহীল হায়বদো মুংশিন্না ঙসিদি থোইদোক্না
ইমুংগী মাদা নক্তনা নকপাশংন্থু ঙাইরমগনি ঐদু
মীয়ামত্থগা মরক্তদা ইবানা মকোক থুমন্থনা ইম্নফিনা
মচাবু কোনগদবগী ঙাইরমগন্দবা মশি ইগী চেখা
ঐন্থু তপথবা অদুদে
পারীক্ষা ওন্নদা মক্তনা গোল্ডমেডালিষ্ট
মত্থগী মথক্তা Jain Sing Memorial

Clinic ....

হরাউবগী মথক্তা হরাউবা; নুংঙাইবগী মথক্তা নুঙাইবা
ঙসিদি পুন্নাং লাংলনি অরাকপা খুদিং
উৎসব মচা অমদি শোয়ন্ত্রে মথেল য়ামগনি
ব্রাহ্মন অমা নেক্কনি পুন্নমক হলহল্লোয়
ইমাদো মখুত্তা হামহুনা পীজনি মহারানীগুম
কারদা কৈথেল কাহনগনি অন্রাবস্থু কোক্নবা
মথোঙস্থু হান্নীগদি রাজরবী ইকায়খঙদবী ইমাদো
য়েংউনে নেম্না পায়থরকলিবসি উবদা উরোক্ৎম।
মীয়াম পরেংনা মমিৎ কুপ্তনা ঙায়রিবসি ওক্লনবা
ঐগীস্থু য়াওরমগনি কনা কমা লাকলমগনি।
কুমথরকই ঐস্থু সুট টাই তৌহনা এরোপ্লেনদগী
লেমহৌরগে মতাগুম রাবামখৈ রাক্নরবা থম্মোয়সে
মাগী মাগী মীনা চঙশিল্লকই ওকই মথঙ মথঙ
পোংশিংনা মাগী মাগী গাড়ীদা হাপ্পী
অহুবু ঐগীদি কনাস্থু উক্রি হৌজিক ফাওবা
পুক্লিং নুংশিরকই শোয়দনা পাউ ফাওরমলোই
ফরে টেক্কী অমা ফারগা য়োরগে য়ুম
য়ুম তাম্না থৌনবীরে কার ফ্লেট অহনবহুনা
খামলে থোঙ্গালদা, ঐগী পোৎ থাংথবিরে
বেক্কগী শেল শত্তনা পীরে ভন্না অহুফাও
উদে থোরকপা কনাস্থু
গেট অহু ইল্লবদদি মী ময়াম তুমিন তুমিন

তুমিন তুমিন ফম্মী মুংঙাইতনা চিন্ত পুদুনা
কোক-কাক, কোক-কাক হিঙ্গোলদা নহাশিংনা
অহল খরা য়েংলকই ঐঙোন্দা
ইমুংদা পাউ পাখিবগুম্মী ঐবু মঙলা হারা—
ইশ ! খাঙেনফনদগী শঙ মচা নঙনা করিগী ? কনাগী ?
ইনাওত্নু চেম্থোরকই মমায় মমিৎ পোম্না পিরাং থন্না
ঐগী পোৎশিং মুন্দুনা পুনবা হোৎনরি—
মঙলান্নরবা ঐনা "ইমোচা করিনো তৌরিবসিদি"
ইমাগীনি হিক হিক কপনা হান্নরকই।
কৈদৌরবা ইমা ? অহল অমনা হায়
'মৈ ওকখো'
ইচন অত্নু থোরকই মৈখেৎ অমগা শিং থরগা
ইচনত্নু মমায় খুমত্নুনা নোংচুবগুম কপথরে।
মৈ ওকলে মাইবত্নুনা হায়
'ইবেম্মা নচা লাক্লে, নঙনা শোনবদো
নমিৎ পাংঙো, নমিৎ পাংজো'
নচা ডাঃ লাকলে বাবা ফরনি নমিৎ পাংউ
'ইমা ইমা ! ঐ লাকলে নমিৎ অমুক্তা পাংউ।
সুইট কেসতগী থুন্নাই মৌথোকই এথেথেস কোপনা মিত্নুন য়েংই
'টেম্পুরেচর বি, পি, পুরা হোপলেস, থজিক্তং থেংব্রে'
জ্ঞান থজিক্তং লাকমাল্লে মমিৎ তপনা পাঙলকই
'ইমা ! ঐ লাকএ, নচা মকোক ওইরে

লুপা লিশিং য়াঙ্কথে অমা 'গোল্ড মেডালিষ্ট'
—'নঙ লাকপা ফরেদা ইবুংঙো ....
—'পঞ্জাবী অমনা তুফান মখোল মঙা ম্নাঙবা অমা
লুপা লাক্ক মঙাস্নু মান শৌগনি হায়ব্রিবা'
—য়াম্না ফরে ইবুঙো ইমা পোক্লে মঙ্গল ওইয়ু'
নমাদি থাজদ্রে নচন, নমাওবু নিংথিনা কোল্লকো
মখোয় ম্নাজল্লবনি নঙগীদমক
মী অমা কনবা হোৎনবদা মী অমা মাঙবনি, কাওগনু'
—ইমা হৌজিক্কি মখোয়গীদমক নচা লৈজরে
ইমাগী সাগৈ জর্শি, কম্বল, ইচনগী সারী, খোঙউপ
ইনাওগী ফুরিৎ খোঙগ্রাও ঘড়ী য়েংউ।
ইমাগীদো হাপলকউ শৈজাদা
শেৎননবা লাইরৈবাক্তা হরাওনা—,
ইমাগী সেবা হায়বদি নচা ননাওদা শেম্বত্নি।
নখোয়গী নত্তৌ য়েংলগা ইমা পেলগেকো'
অসুম্না সংসারদগী বিদায় লৌগ্রে হরাওগদবা মিকুপসিদা
—'ইমা নচা খজিক্তং থেংঙ্গ্রে বারৌত্নুকো
ইমাগী সেবা মতোন লোমদ্রে ... ...
ঐগী বাখল মরেম্বা ওইদ্রে, হা উরোক নমাংস্নু লাং
নতুংস্নু তেন—
হে ঈশ্বর, ফরি তৌমি ...' কমাগী পৈনবা নাইদ্রে তৈথবা
থম্মোয়সে মচেং অচেং, অচেংগী মকুপ মকুপ

মরকসিদা, ইমাগী পাউতাক য়ৈরি
মী অমা ফনবা হোৎনবদা মী অমা মাওবনি
মসি নিয়মনি সংসারগী চৎনবী
সংস্কারগী মৈরী চুহনা ইতুংদা ইচিন ইনাও মৈ কোয়রি—
অাসরা ইমাগী রাজমনগী পেবা হন্দক মপোক্কী
"হা! পলেম পুকফবী! মালেম ইমানা লুমথরা
পলেম ইমানা মরুপ্মা, কোরৌ ইপানা রাংবরা
পখৌ ইপানা মহেল্লি! নচাগী মহৈ চাও তমখিজে।"

Jain Sing Memorial Clinic
Foundation Day, Telipati

থেংলি থোঙ্গালদা ফেষ্টন্দা ফজবা ষ্টাইলগী
মগুম্না ফেষ্টনগী ফোঙলি অরাংবা থাক্কী থবক
মাগী মচুগী ময়েকশিং অঙাংবা অশঙথা পুঙজাং-লং
নাক-য়েত্তা লফু পাম্বী মখোঙদা ঘোর্ট চফু, হৈরুক, ধুপ
য়েংথৎখিবদা কয়াদা রাংপ্রবা দলাম মথোল মথোল
চেন্দা য়েকপগুম্মী জুৎ-চাবা রঙ পঙশিং
মখল শুনা লেঙবা মৈ পরেং মনি মুক্তাগুম শিরিবা
ফজরবা কাশিং মথোল খুদিং মিষ্টীশিংনা তক্কুনা শেমখিবা
হোল অচৌবা অমা—নাকন্দনা ষ্টেজ ওডিটরিয়ম
তেজন্দুগী ফম্বাক্তনি ঙসিগী থৌদোক, ডাঃ রুহীয়াগী লায়বক
লাইবক্কী মথক্তা থরাম্মিচাক, থরাম্মিচাক্কী মথক্তা অরংবা মঙাল
মঙালতুনা মিৎ লিশিং লিশিংদা থম্মোয় থম্মোয়দা

পুন্সিনা পুন্সিদা নুংশি খুদোল ওইনা শিদা-ফিদাক
অনৌবা মপোক্কী হিংবগী মহাও ফংনবা লানফমদা
খুংগয়সি খুংকা খুংকা ঈশ্বর নঙ+ঐ মা-ঐখোয়
লেঙশিনবীরকসি—

অয়ুক্কী পুং ১০ ভাশিনলক্লে ভিজিটরশিং লাক্লে
মকম-মকম চানা লৈভেংলবা ভি. আই পি. শিংগী সিট
ওইশিল্লবা মাইক্রোফোন মঙা মঙা Radio T V. Press
থুংলরে নুমিতঙ্গী চিফ-গেস ওন্নবেবল মেডিকেল মিনিষ্টর
প্রসিদেন্তনা রেসপেক্তেড জেলসিং মারুবারানি
থৌরমগী অহৌবদি সার ডাঃ রুহায়া তরাম্না ওকপনি
অণ্ডকপনি। মীয়ামত্তু প্রজেক্টেসনগা প্রজেক্টেসং গা মরি মরি
খুৎথেংননা মায়পা মায়পা মিংকা মিংকা হরাও হরাও
নোক্না নোক্না কনগ্রেচুলেসন কনগ্রেচুলেসন হেন-সেক
অরাপ্পদগী অনকপনগী শকখঙনবা শকখঙনদবা থিদনা
নুঙাইবগী হরাউবগী নুংশিবগী য়েংনিংবগী
প্রোগ্রাম মথং মথং পাঙথোকই অরোয়বদি ঈশৈনি
ঈশৈ শকদবা শকদবীশিংগী মিং পিশিল্লকই ইনভাইটিজশিংদগী
পাঙথোক্লি মথল মথেলগী ঈশৈশিং অফাওবা ওকেস্ত্রগী মমাংদা
[illegible] [illegible] [illegible] অথুবরা ঈশৈগী খুদোলনি
[illegible] [illegible] [illegible] অমম্পি অত্তে নত্তে
ঈশৈ শকপিশিংগী [illegible] [illegible] হৈলশাবী অমা
মখিংনা অমুমাথা মারুবারী পঞ্জাবী সালুআর শেংপী

মকোক্তা অমুবা চাদরনা কুপ্পী নিংথিরবা খুদোলপোং নাশিকা মনাডোন্দা, মনাক্তা চঙলকই চিং লৈরা পিশিল্লি রাহৈ খরগা লোয়ননা .

—'Congratulation Sir Dr. Ruhiya !

—'Thank you, Miss Anu Radha.

খুদোলপোং লৌই হরাওনা মথঙদা এরেজরদা পৌখি মাইক্রোফোন ময়াম্বুদা মথুং জুর তৌহুনা মীয়ামদা

Let me present a Manipuri song.

Name of the song অনৌবা রাখল করানা অরিবা রাখল কাউহল্লি।

O.K. Let me start ... ...

অনৌবা রাখল কয়ানা
অরিবা রাখল কাওহাল্লি
লেপ্তনা পুন্সি খোঙচত্তা অনৌবা
নঙ ঐগী মরি করিনো
অশেংবা মুংশিবা নর্ঙমা
অহোংবা নায়বা তাইবঙদা অনৌবা ....
ঐগী থম্মোয় অতিয়াদা
এরুবা তরাঙম থোল্লরে
আশাগী পম্বুং তারুবা .. ..., ...
অনৌবা

হায়নৈ পঞ্জাবীনবু ফজনা শকই ফজনা শকই,

সাব ডাঃ কুহীয়া মণ্ডক নোমহ্না মুংঙাইনা তায়
তান থানা থানা মুংঙাইবা রাখলদা তাঙবি
মথংদি লাউথোরক্লে এনাউন্সবনা মাইক্রোফোন্দা
অরোয়বা অমিদি স্পিসিএল কলাকার
সার ডাঃ কুহীয়া গোলডমেডালিষ্ট
খুবাক খুই ময়াম হুইস, হুইস খোংই হুইসেন
কাচিন কোয়া পুম্নাং লাংই
লেডিজ ইন্দ জেণ্টলমেন

Not I am a not popular singer
but let me present a Manipur song.
The name of my song is—

'ঐগী মণ্ডলান্দা লাক্লম্মী'

ঐগী মণ্ডলান্দা লাক্লম্মী
শকথণ্ডবী নণ্ডবু কনানো
থম্মোয় পাউখুম পীরম্ম...... ....।
ঐগী ....

ইচিক হুনবা অহিংদা
ঐগী অরাবা উহ্না
লাকপগুম নিংলুই ঐদি
ওইরমলে নঙদি মণ্ডলান... ...।
ঐগী ....

৬াঃ রুাহয়াগা রোয়েল জেলা

তেল্লবা অচিং পুংজাদা
লিরল্মী প্নিসগী রারী
রারবা ঐগী থম্মোয়দা
হেন্না মৈচাক হাপলল্মী ....
ঐগী... ...

লাইরৈবাক্তা নৈরবা নওবু
মীরমলেন্দা য়াওবরা হায়রু
মঙলান খুদিং চত্তুনা
মৈচাক য়েনবী নহাক্না ....
ঐগী ... ...

অমুক্তা হেন্না নিল্লে হোল
থাজদনা শকপা ঈশৈহুনা ঐগী
লাংনা লাংনা হন্নথরে পুমচিক চিকহৌরে
পোৎ চৈশিং ল্লোয়শিল্লে অশিন-অরাংশিংনা তান্ন-তান্না
য়েংনিংথ্রে অকোনবগী খুদোল পোত্তু মারুন্নারীগী
ডেকোরেসনগী মখুমতু হাংই তপনা তপনা
বার্ত্তনসু তৌথিবা নৈতে খঙদে ঐনা
থম্মোয়দা পানখি ঈশৈহুদি হৌথিবা কয়া নীংশিংহল্লি
এ! তাজমহল! তাজমহল
মতম অমদা ঐনা ....
মা কনানো? অনুরাধা কনা? মারুন্নারীহু কনা?

মাবু কনানো তত্তনা হংলি লাকখিদ্রে
ঈশৈগী খোন্থাং নওনা। অশুক নগা ... ..

—★—

Engineering College

অয়েকপা সীনরীগুম কয়াদা ফজখ্রবা ইঞ্জিন্নায়ারিং কলেজ
অশংবা লম্পাক, লম্বীগী চিদায়দা ফজবা উশিং
নাল্লবা বিল্ডিংশিং উপালশিংগী নাকন্দনা
লম্বাদনা কার, স্কুটর, মারুটি ভান, য়ামাহা
অচৎ-অওক্না অরুবা ঈশিংগুম লেপ্তনা চেল্লি
তনাল তনালবা মশক মতৌ ফজবা ফিজেৎ লৈতে হুনা
অশঙবা লম্পাক্তা চায়থোরকপা ছাত্র ছাত্রীশিং
কেমেরাগী স্কোপ্তা কলর ফিলম তাবগুম
য়োৎচাবীনা য়োৎ নত্তবা চিংশিনবগুম ফজদবা য়াওদে
য়েংউ নিংথিরবা ফ্লেট কার অমা মেন গেত্তগী
মনুংদা নুপা অনি নুপী অমা ড্রাইভরনা পুরী
মথোল থোক্তনা লেপতনা চেল্লি অফিস তম্না
নিংথিরবা কারগী ফ্রোনা ড্রাইভরগী হৈ-শিংবা উৎলিবা
থঙনোম নোমখিদে খাম্বদা হকচাং মতোমতা থাউ লোয়খিবন
মতিক মগুণ লৈরবা নিপা অমা মচন অমা মনাও অমা
কাদনি পুক্লিং শুমহৎনা লৈতেংলিবহু প্রিন্সিপালগী কাদা

সেমিকাগী কেন মেটনা খওহল্লি প্রিন্সিপাল-টন

মাকোক থাংলবা অফিসারগুনা চইল চিল্লাবদা ফাইল তমি

পল্লারগী অরুবা আনোক স্যুট-টাই কোট মাঙদা ফাইলশিং

নক্লবদা টেলিফোন আউটর-ইয়রগী ককলাংদা কেলেন্দর ঘড়া

নিপাদুনা কুরিংখাওদগী কার্ড অমা পি থোংজিনগী চৌকিদারদা

প্রিন্সিপালনা মূল্লা য়েংই আনোক অতু ওইনা পায়দুনা

Mr. Dr. Ruhiya Gold Medalist

Senior Surgical Dr. (Specialist)

Jain Sing Memorial City Clinic

Imphal, Manipur.

কিনা পীশিল্লকপা কার্ড চৌকিদারগী অতুগা

মথুং য়েংনা কলম পায়না পায়না থাঙ্গংলকই

হায়রকই 'চঙহল্লকউ' চৌকিদারদা নাক্তা লেপলিবা

প্রদা হাইদোক্তুনা ঈঙ্গিৎ পীরকই চঙনবা

নিপাদুনা মচন মনাও মথং মথং চঙশিল্লকই

—মথুং জুর তৌদুনা, নমস্তে—সার।

—Congratulation Sir Dr. Ruhiya Gold Medalist

করি তাকপীগদবা ?

—ইনাওনি নিপামচাসি ঐগী চানবীদুনা এডমিসন তৌজবা পাম্মী

—মোস বেল কম ! ফোর্ম অসি লৌবিস চানবীদুনা

নাকলদগী ড্রয়ার শক্তুনা চে অমা পীরকই

থেঙ্কস নিপাদুনা লৌই চেদু মথং মথং য়েংই

—অসিনা প্রোসপেক্তসনি। মসিদা য়াওরে অকুপশিং
—লৌবিসি
—অদুগা এডমিসন ফিনচিংবা পুন্না কয়া .. . ... ?
—চানবীদুনা ফম্বীখো একাউন্টেন কৌজ্রগে
টেলিফোন নাক্তগী পায়খৎলে ডিজিৎশিং নশ্মী
হলে। একাউন্টেন্ত অমুক্তা ... থমখ্রে
থোঙ ইল্লকই ফাইল অনগা একাউন্টেন্ত চঙলকই
নিপাদুদা ওনশিন্দুনা অফিসারদুনা
This gentleman is Sir Dr. Ruhiya
Gold Medalist Surgical (Specialist)
Come from Manipur (State) for admission
kindly help him for his younger brothers
Admission.
—একাউন্টেন্তনা নিপাদুদা ওনশিন্দুনা হায়
Congratulation Sir Dr. Ruhiya (Goldmedalist)
চানবীদুনা মরি লৈননবা চে-চাংশিং শিন্নবীয়ু।
—অসিদা লৈজরে লৌবিসি পীশিল্লি।
—পুন্না লুপা .. .. অদুদংগা পীবিসি।
—অসিদা লৈজরে বেক্তগী থিরগা পীরকই
ওনশিল্লকই প্রিন্সিপালনা নিপাদুদা অদুগা মখা
—হুপীমচাসিনা ... ...
—মহাক ঐগী ইচন বি. এ, সি নর্সিং *AIIMS* তা
Admission গী

—That is very good idea.

মতাংতুদা একাউন্টেন্টনা চওলক্লুনা 'সিদা লৈজরে' একনোলেজমেন্ত রিসিপ অতু টেবলদা থম্মী।

—প্রিন্সিপালনা ঐঙোন্দা পী অতুগা হায়

মথং থাগী ১ দগী ক্লাস হৌরগনি

হোষ্টেলগী সুপরীন্তেন্তডেন্ত উন্নবিতুনা রিপোর্ট তৌবীয়ু

মাগী রুম নম্বর 97 নি, য়ৌবিরসি।

- Thank you very must-Sir fine co-operation.

—Not at all Sir.

মখোয় মথঙ মথঙ থোরক্লে সুপরিণ্টটেণ্ডুন্ট উন্নরে রিপোর্ট তৌরে, থিফম থোকপা ফী থিরে মাগী রুম ফংলে কাতুদা (ময়ামতুনা) ধুপ চুখৎলে, শৈশাক পোৎথারে বেডিংশি দগী পোৎ চৈ লৌথোকহুনা রিফ্রেসমেন্ত খরা লৌমিন্নরে. মতম থেংননি।

চৎননবা তৌরগে ইমোচা! নঙ ভাব য়াম্না তাগদবনিকো, নচেগা ঐগা য়ৌরগে, নচেগা মিং চন্নবা অমুক; নঙ নঙোক ফাওবা চিক্কনুকো। ইমা বাজি লৈতে নবুকনিং খক পাকথবা য়াদে ঐ লৈরি।

ইয়ামবগুম নউস্নু নিপা থোক্কদবনি কন্না পাউ, মীকোক থোংনবা হোৎনৌ, কপমিন্নরে মচিন মৌপগা কায়নরমদাইতুদা লনদমাসবু কোল্লিবা ঈশ্বর থাগোম্নৌ, ইয়াম্বা নখোয়গী ব্রাৎতনবা থারকনি মুংঙাইনা লৈয়ু।

ফত্তবা থবক্তা থক মায় ওনশিনগনু, মী-তিন্নবা ৈলেন্নু,
য়েক্লবা থমফদে, নুংঙায়তবা খুদিং তোয়না ইরকউং
ইয়াম্বা হেক্তা য়োরক্লনি। কপ্প৷ য়াবা কপমিন্নরে,
মনাওগী মকোক নাম্ববীরে ইয়াম্বী ইবুংঙো,
ইয়াম্ব৷ ৈলেরি কাউগনু। অস্নুম্না বীদায় পীরম্লগা
ময়াম্বগা মচনগা থোৗগ্রে কলেজগী কম্পাউন্ড রাংমদা
পুক্লিং নুংশি নুংশিনা থম্মোয় খুদিং —

—★—

লায়েং শণ্ড

পেন্সিন ফংলকপা অচৌবা ফমদগী,
মাঙ্গোলদা কারম্বা শাবেং-ঙাবেন
টেবলদা থুমলম্বা-লু চঙখিদ্রবা থাবোই অহাম্বসু,
ঈশিং ইচাও কংখিবগুম ইজ্জৎ সনমান মাঙখিবা
অচৌবা উজাওদগী মশা মরেং থাবনি,
উচিদা হঞ্জনবনা খরা ৈফ কৈজাওদগা,
ইহৈ হৈনদে তৌফম খঙদে শামরক ঙামরক
ৈলকাইগী দেব কর্ম্মা, উৎসব মেলা তোয়বদা
শেলগী কোমদা পুৎথরম্বা জর্জ্জ সাহেব আইনগী খুজিদা
টোর্চ লাইটগুম চার্জ শিরবা মশাল য়াওদ্রে।
হৌরক্রে মরু'লুক্লা ঙাংবা হয়িংসু পাইবদ্রবদা;

মশাগী সহধর্ম্মিনী লায়কল্লরি অরুবা ক্ষীভমদা
Operation Theatre নি
Jain Sing Memorial Clinic
পুলপ, পুলপ মচি মচি পেসেণ্টশিংগী মীনা
হায়নৈ অচৎ-অওক্লা চিবোন চিবোল
'নিপা অসি সাজ´ন্নি, মমিং চৎলিবা মীতৈনি'
হল্লুবী অমনা শোল্লি 'চুম-ফিরাল ওম্বোক্লা চায়দা.
য়েংবদা পেল্লি, ব্লাস্তে, কনাগী মচা-মনাও ওইরিগবা,
লুপা হায়বহ্ণ অসিনিদনা. লৈদা মতিক মগুন'।
নহা ওইরিবী লুপী অমদি ময়ামগী মরক্তা তুমিন্না
থারিবা ফালশাংগী চিদাইদা খাংলি তাশিন্দুনা।
চহি কয়া মমাংগী হৌখিবা থৌদোকশিং নীংশিংনা,
নওথরকপা খোমলাং মৌনহাশি·গী নৈরগা খাওবগুম
ইকায়বনা হোৎনরি থিংনবা থম্মোয়দগী চেম্বরকপা পিরাং;
মমাংদা তত্তনা হঙ্গৎ-হন্দা চৎলিবা মপাবুংগী মাংদা.
খল্লি করি থোক্লগবা ওপরেসনহ্ণ পাউ ভাইনা।
লুপীহ্ণনা মওল-মওল খল্লক
পুাক্লংদা ব্লাখল অব্রাবা লৈতনা—
'ওইরমগনি কুচু কুমেন ফজবা,
হেল্লে ব্লাং চাওবা নকউদ্রবসু খওই মহৌশাদগী'
ঙৈহাক্তা মতুংদা ইম্বোরকই ত্রোলীদা পেসেণ্ট অমা
অভৌবা ফিনা কুপতুনা নর্স´তুনা থিয়েটরদগী ড্রিপ য়ান্দুনা

লাউরকই বেদ নম্বর ২০ পেসেণ্টকী মী লৈব্রা ?
খুম্মী পাবুংনা লৈ, লৈ, চেনশিন্দুনা পায় ত্রোলীতুদা,
য়েংলকই ঐবু লাকুবা চংই পরপ পরপ ঐস্নু,
পায় ত্রোলীত্থু ইমাগী পাউ তানিংনা,
পাবুংনা 'সিষ্টর করম ....' ?
'থোয়দোকপা অকায়বা য়াওত্রে' খুমলকপতুদা
পাখৎপা, চিংনবা, মাওখি তপনা, তপনা হন্থরকখি মিন্থন,
ঐখোয়গী বেদ য়োরে থাংথরে কমুংথক্না
'হিদাকশিংসি লৈশি, খরা থুশি মী লাংবীগনু'
চৎখ্রে হায়রমলগা প্রপ প্রপ ....
মুমৎ ১৫ হৌখ্রে ইমাস্নু ফরে খরা,
অহাও অহাওবা কৈথেলদা ফংবা লৈ, পিজৈ
সেবাদি ঐ বাজি শিন্দোক-শিনজিন মুংতিগী।
য়ুমদগা চাক-ইঙ্গাং থিন্দোক-থিনজিন অস্নুক কুইবসি
নোংমতস্নু ওক্লদে হকথেংননা ইকায়নি খনবনরা,
তান চাদবা ওইরমলবস্নু য়াই শুকথেং হেক থেংনদদা।
রাউন চৎপতুস্নু কাংনরে চাক ঈশিং হোংনবগা য়ুনদা;
কাওদি কাওরম্লোয় ইমা বাজীস্নু শকখওবনা;
বাজিদি উই হৈনদবগুম, হঙোয়বগুম মরক মরক্না
ডাঃ বাবু, ডাঃ বাবু হায়বহু দন্দীগুম,
য়েংলকই ঐওোন্দস্নু তুমিন তুমিন মুওায়তনা ....
নাম্থোকপ্রবা ঙা চাউবগুম লুখ্রাবীগী ইন্দা লকপা।

উন্নদনা অস্থুম ইল্লনিদৌ উন্ননিংঙ্গবনিমা মামা
মথোবুদি চিঙ্গবমগনি মকোক ওইনা পুবনা ময়ামগী
নোংমদি রাউন লাবপদা পীবম্মী ডিসচার্জকী চে
লুপা লিশিং ৮গী বিল অমা কোন্ননা
ইবম্মা য়ুমদা চাগদবা হিদাকশিং, চেক-'পকী তাং
লোয়াশাল্ল পোৎ-চৈ ঐস্থু মথঙ মথঙ পুননবা
মুংথিলগী পুং ১-৩০ বোম লুমিত্তো য়ুমকৈখনি
মতেং পাংবা ডাং অমগা সর্জন অতুগা ল্লারী শা-শাতুনা
(ইংবাজীদা) লৈপ্লবে ইমাংদা থাই লাওই জ্ঞান মাংই
করি তৌনি খঙদে ময়ানগী মমাংচুদা মুক্তিনা লেপ্লরবদা
তুংওইনন। ঐবু থপ্লগা বি, পি টেম্পবেচর, ওপবেসনগী দাকফম
হায়বকই চেক তৌবা লোয়রগা ইমাদা ওনশিন্দুনা
—ইমা ! য়াম্না নিংথিনা ইন্প্রুভমেন্ট লৈরে
ফজনা হেল্লিং অপ তৌবে অত্তবু হিদাকশিংসিদি
কোর্স শুননবা চাবীয়ু তুংদা অকায়বা লাক্তনবা
অনাবী ইমা মমিত্তা ইরা চৈন ইকায়বনা থপ্ল মায়থোঙ
ডাঃ বাবুনা মথাথাবা ডাঃ অত্তুদা ওনশিন্দুনা
—'Please help the patient of room 2'
'Thank you Sir" চংখরে সর্জনগী ল্লার্ডং পাওথোক্লকা
হৌজিক্তি লেপলম্বা ডাঃ ফমথরে ষ্টুপ্লী চিংশিন্দুনা
বাজিনা সুইট কেসতগী লুপা লিশিং নৈপাল
হঙ্গন হঙ্গন থিরগা বিলতুগা কৌন্ননা পী

—'শেনাহ্ অমুক্তা পায়বিখো বিলহু লৌজগে' ডাঃ না
—ডাঃ বাবু নহাক্না পোকপিরে মপোক অনৌবা অমা
হন্দক মপোক্তা শিংঙমলরোয়দবা মপোক্নি'
—'চানবীহ্না বিলশি কেরানীদা পীশিনবীয়ু শেল হাপচিনবীয়ু
ইমা বাজি, ইচন খ্বাইগী মপান্না ঐনা ওইজরি ডাঃ
—'করি ব্রানো তাকপীরিহ্নু' !
ইমা বাজি মপি শিন্থরক্লে মচাগী মতৌদা
.. 'প্রেমগী মমাংদা ভক্তিনা লেপ্পা ঙমদবগুম
ঐখোয় ডাঃ বাবুগী মাংদা লেপ্পা ইকায়জরবনি'
—'ঐবু অত্নুক ব্রাংনা থাঙ্গৎপীগন্নু
লায়রবা মচানি মীনা কিনরিবা মাহাৎপগুম
ঐগুম তোল্লবা কনা নৈরমগনি মালেমসিদা'
—ইবুংঙোগী পুকচেলদি খঙলুদে ইমাদি মহৌশা
—ঙসি উনৌ তমখিবন। ঈশ্বরনা উনারবান মফমসিদা
—ডাঃ বাবু ইচাগী লুহোংবদা নপানা দান ফংহনবীয়ু
—ব্রাখলহু হন্দকী মপোক্তা নৎখিদ্রে
ব্রাশক অমগী মথাদা পুন্সিগী শক্তম লেপচখ্রে
—করম্বা ব্রাশক্নিনা ডাঃ বাবু ?
—অঙনবা পুন্সি বসন্তদা মঙলান অমা মঙজরম্মী
মঙ অহু মঙফাওনখিদ্রে—
—করম্বা মঙ.... .... ডাঃ বাবু.... .... ?
—মঙ অহুদি অকনবা লানফম অমগী মঙলান্নি।

—করম্বা অকনবা লানকম মথা তাবিয়ু ডাঃ
—শাবী-শানৌনা ইনখৎলকপা মতমদা মঙবা মঙদি
অপাম সুংশিগী লানফমনি .... ·
—অপাম সুংশিগী লানফম হায়বা .... ডাঃ !
হঙ্গৎনা নীংশিংমিন্নখি হৌখিবা থৌদোকশিং
—চেক্লাগুম পাইমিন্নবা, লৈরাংগুম লৈখোক অমতদা শাৎমিন্না
মোলাং অমদা খাঙমিন্না সুংশি মঙলান মঙমিন্নজবা,
পুন্নমক মংফাওনখিদ্রে, অরেম্বা ওইদ্রে
লানফমহুদা ঐগী মী ব্রাৎখিবনা লুখ্রাবী মচা
লাইরবা মচা ওইখিবনা সঙ্গ লৈখিদবনা
মায়থীরবা লাম্মা অমা ওইহৌরবা মিকুপ্তা
পুন্সিগী শক্তমসু ব্রহ্মাচারী অমা ওইনা লেপচদ্রে
—'নত্তে নত্তে ডাঃ বাবু মহু ওইবা য়াবা নত্তে,
পুন্সিগী ধার মুথৎকন্নু পোকঙমদবা মপোক্নি'
ঙসাই মখৈ থম্মোয়না তেংথারুবী সুপী অমা
খোঙবীনা তক্ক্না লৈমায়দা খাঙজরি
খোঞ্জেল থোক্লা হায়রকই পাখৎ চাউনা
—ডাঃ বাবু ধার মুথৎপিগন্নু পুন্সিগী অর্থ থোকহনবীয়ু
—ঐগীদমক ঙসিম্মু ব্রাবীরিবা নহাক কনানো ?
নঙবু হন্না হন্না থাগৎচরি—
ঐগী শক তাকচবদা থোয়না লুদে তাকচগে
অচাউরম পামজবা জর্জ সাহেবনা ইপাবুং

ইশাগী অপাম-নুংশী খঙ্গবদা অধিকার মৎপিবীবীনা ইমা
হৌজিক্না ঐ লুহ্রাবী ইল্লক্লবী মিংঙোল,
শিঙ্গাবৈগী মতা বোয়েল জেলী খীহাৎপীনি
ডাঃ বাবু নহাক্কীদি ও-মঙ্গোল.... ... হিক হিক ....
—ইপাগী ইবেম্মা নখোয়গী মফমদা লামথ্রে
ঐখোয়বু ভাকপিয়ু, ঐখোয়বু ভাকপীয়ু ডাঃ বাবু
—ইমা বাজীগী লানথিবদি মচাশিংনা খাবৌজবা ওমজদে
—নিংবা কায়ববা, কায়ববীমা তেংথাবিদো পুন্সি চুপ্পা
উবীবগা লেমবীয়ু ....
—হৌজিক্তি হৌথ্রবদি হৌথ্রবে, থোকথ্রবদি থোকথ্রে
কনাগী মরাল নত্তে বিধিগী অরোংপা লীলানি
থম্মোয় ফানা ফানা থাওবা ভাবনি
—ইবুংঙো ইচানুপীসি ওঝানি কলেজগী থবকর্মু কোম্মা
মশাগী ওক্লবা তলব ফংজে ইবুংঙোগী লায়েংশঙসিদা
কৎথোকপগী থবক মচা অমতং পীবিবদা কায়গথ্রা ?
—ঐ সমাজবুদি য়াম্না নুংশি ঐ কপ্পী সমাজগীদমক খনবদা
অদুবু সমাজগীদমক ঐ শিরবদি য়াদ্রি—
তশেংনা কি ঐ থল্লরবদি মী অমমমতা ওইনা
থল্লবসু পাঁমদে য়েংবসু ওমদে মিং উইশিন্দুমা খাঙজগে
কনা খঙদনা লোল্লা শুঙ্জগে অন্না-অনা থিজিনা
সমাজগী কারখানা য়াইফনবা থল্লত্তে কল্লা কল্লাগা
উরবদি ঐবু চৈথাম্নি ওৎপীনি তেমশিংনম্না
ঐগী ইথুৎ থুদেকপীগনি থবক লৈপহৌবীগনি

ডাঃ রুহিয়াগী রোয়েল জেলী

– "মীৎ চাম্মা চাম্মনা, খুৎ লিশিং লিশিংনা–

অদুনা লৈতে সুপ্পতগী জগা মচা অমসু মানা কখোকপগী"

– "ডাঃ বাবু! চৈফমগী চৈফম মক্তনি অরানবা মীদি,

কখোকপগী জগদি লায়রদনা ফমনবগী ফিদা ফাওবা লৈতে।"

–"তমথ্রমান্নে লোয়নৌ ঙসিদি মবুং অমদি মচনগুম

লৈমিন্নদবা,, য়ুম অমগী মথাদা পুন্না;

কায়হনবীগনু সাতি ধর্ম্মসু ইচনগী

থৌনাসু হাম্পীয়ু ডাঃ অমগী শিববু কন্না ঙম্বা,

মকহন্বীগনু মীংশেলসু সমাজগী ।

থনজরগে ইচলমকনি পোকমিন্নজবা ঙশিংগী"

নাম্থবিরে হন্না হন্না মকোক্তা 'ইবুংগী ইবেম্মা,"।

"মচন অমনা মবুং অমগী করম্বা য়াথং ইন্জগনি"

হংজরকই মায়থোংনা পিনা নোংগুম শিম্বা।

– 'মীওইলক্তা মহাপুরুষ, স্বামিজি কয়া কয়া

হিংলী পৃথিবী নিংথৌরেলগুম নুংঙাইনা,

খৃষ্টানগী ফাদর মাদরশিংনা নাথেদুনা নুম্বাল লম্বী


গ্রিজাগী কাংশি মখোয় য়াওন্না,

গুরি থবায়গী থবক পুক্লিং সান্তি ওইনা।

নিংশিংব্রো, পৃথিবীগী নুপীলম্ভা শিংথানরিবা
মাদর তেরেসাগী কায়না তেংথাখোল,
নিল্লি গুসিসু অতিয়া শিঙ্গুংনা পৃথিবী
ঐনা মবুং অমা ওইনা হায়জনিংবদি
তমথিরবা লায়নদগী পুন্সীবু কন্নবা,
নৌরিবা পুন্সীবু অচুম্বা লম্বী তাকপীনবা
"ওরফান কম দিসএবল চাইল্দ কেঅর"
অমা খুল্লিবনা শকচগে অপেনবা অদু।"
"গুসিদগী পাণ্ডথোক্লবা ইবুংগী অপাম্বা নচন্না
মরূ হুন্জরে পুক্লিংদা, পীনবীসনু ঈশ্বরনা মঙ্গল"।
"সে নৌশিল্লু লুপা লাক্ক অমনি,
পুন্যগী ফললি ইচননা তৌজখিবা মতম অমদা,
হৌরুব্রো মসিনা, মমি য়াৎপা;
অসিনা ইমা-পাবুংগী নুংশি মিয়েং ফংজবা গুসিদি
পুন্সী চুম্পা অপেন্না ওইজরগেকো"।
"ইবুংঙো! য়োজিক্তি লৈতরে পাঙ্গল বা ঙাংবগী ইমাদি"
"ইবুংঙো রাখল থেনখিবনা নপাবুং ঐনা,
পুজরগে পাপ নথোয়গী মপোকশিমা
খঙনা খঙনা মীনমলুবগী সেক্যুলরিজমবু"।

ডাঃ রুহিয়াগী রোয়েল জেল্লী

— "চৎপিরো, কায়নবসি ময়াম শকখঙনবা পুংজদা
লাকচগনি হপ্তা খুদিং অঙাংশিং য়েংশিন্বা
ইচনগী "ওরফান কম দিসএবল চাইল্দ কেঅর"।
— "ডাঃ বাবু! উন্নশিকো হপ্তা খুদিং ইমা ইচা ঐখোয়
চৎলে চৎলে অনৌবা মঙাল অমগা,
ওইয়ুকো য়াইফবতা মপোক খুদিং"।
চৎখরে মখুৎ হায়বা হায়রদুনা মতুং হন্না য়েংনা য়েংনা
অহন্বা মারুতী ভান অদুদা- তামখরে এসুম অসুম
লৈহৌরে সার ডাঃ রুহিয়া, মখুৎ হায়না হায়না
মোমোন নিঙমদা শোন্জহৌই মথম্মোয়দা
"ও! ডাঃ রুহিয়াগী রোয়োল জেল্লী"!
মিংলু পীরাং ঈহৌনা বাখলগী সুরদা .... ॥



লোইরবা